তেন্থা খুন্দারোল



কারতিক মাইবা


MANIPUR

তেম্থা খুন্দারোল

কারতিক মাইবা



সাহিত্য য়োখৎ কাঙলুপ(সায়োকা), তেম্থা



TENTHA KHUNDAROL

Chronology of Tentha Village

Written by Kartik maiba, Tentha Khunjao

Published by Maikel Maibam on behalf of
Sahitya Yokhat Kanglup, (SAYOKA)
Tenthal, Manipur

First Impression 2012

Price Rs 105

Printed at MB Computer, Tentha

তেন্থা খুন্দারোল

অইবা : কারতিক মাইবা, তেন্থা খুঞ্জাও
অফোঙবা : সাহিত্য যোখৎ কাঙলুপ, তেন্থাগীদমক ফোঙজবা
অহানবা ফোঙবা : ২০১২
মমল : লুপা ১০৫
নম্ফম : এম: বি: কমপুতর তেন্থা

হায়নীংবা ৱাফম খরদং

তেন্থা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা নেসনেল হায়ৱে ৩৯দগী কিলোমিটর ৭(তরেৎ) লোম চৎলগা লৈবা খুঙ্গং অমনি। খুঙ্গং অসি ইম্ফালদগী কিলো: মিটর ৩৬ লোম লাপ্পী। খুঙ্গং অসিগা মরী লৈনবা মপৃংফাবা লাইরিক ইরে লৈতে। অহানবা ওইনা কারতিক মাইবনা "তেন্থাগী অহানবশিং" হায়না মিথোনবা লাইরিক অমা পুথোকখ্রে। মদুদা তোঙান-তোঙনবা লম কয়াদা কন কনা তেন্থাগী ওইনা অহানবা ওইখিবগে হায়বদু তাকপগা লোয়ননা মখোয়দগী শন্নপ্পা পুন্সি ৱাবীবু ইন্দুনা তেন্থাগী হৌজিক্কী মীরোল কয়াদা লমজিং লমতাক ওইনা পুথোকপিখ্রে। তুংগী মীরোল কয়াদসু মসিনা তেন্থাগী মরমদা খঙনীংবদা চাউরবা মতেং ওইরগনি হায়না থাজবা থমজে। হন্দক অমুক অইবা অসিনা "তেন্থা খুন্দারোল" মিংথোনবা লাইরিক অমসু পুথোকপিবক্লে। মসিদা করম কবম্বা শাগৈনা, কবম্বা শাগৈগী কনা কননা তেন্থাদা খুন্দারকখিবগে, তেন্থাদা খুন্দাবকখিবা অহানবা শাগৈ করম করম্বনো হায়বগী চাউরাকপা শন্দম অমা উৎলি। মসিগা লোয়ন লোয়ননা হৌশিক মতমগী চাউখৎ খোঙথাঙগা মরী লৈনবা তেন্থাদা স্কুল কয়া লিংখৎলকপা, লম্বী কয়া শেম্নকপা, থোং কয়া শারকপা, কৈথেল শেমগৎলকপা, তেন্থাদা লৈবা লাই হরাওফমশিংগী মরমদসু যজ্ঞনা ইরি। লম্বী, থোং, স্কুল, কৈথেল, লাই হবাওফম অসিনচিংবা কয়াগী মরমদা করম্না শেম্নকপগে, শাগৎলকপগে, লৈরকপগে হায়বগী বারী য়াখোঙসু য়াওনা ইরি। হৌজিক্কী অমসুং তুংগী মীরোলদা লাইরক অসি লমজিং লমতাক অমা ওইগনি হায়জনীংই। তেন্থাগী ৱাংমদা লৈবা মীওই কয়ানা তেন্থাগী মরমদা খঙনীংবা থিজিন্নীংবদসু চাউরবা মতেং অমা ওইরগনি। তেন্থাগী মরমদা ইবা লাইরক ইরে লৈত্রিঙৈদা কারতিক মাইবনা পিক্লবসু পিক্লা অসিগুম্বা মখলগী লাইরিক খূদোল তম্বীরকপা অসিনা হাঙদুনা লৈবা মফম অমা

মেনশিনবীরে। অব্রাৎ-অপা, চিথ-নাম্থহৌবা কয়া লৈরম্বা য়াই, য়াওহন্নীংবা অতৈ কয়া লৈরম্বা য়াই মখোয় পূম্বা থিজিনবা মথৌ তাই। লাইরিক অসিদা য়াওরিবা কয়া অসি য়াম্না কূপ্না থিজিল্লগা পুথোরকপনি। মতুংদসু অমুক্কা হেন্না থিজিন্দুনা তেম্থাগা মরী লৈনবা মপূংফাবা লাইরিক কয়া অইবনা খূদোল তম্বীরকখিগনি হায়বা অসিদা অচেৎপা থাজবা থমজরি, মসিদা ঈশ্বরনসু অইবদা থৌজালবীবা ওইসনু।

তেম্থা,

জুলাই ৬, ২০১২ ইং

মোইরাংথেম রাজেন্দ্র সিংহ

MA

অইবগী ৱারোল খরদং

মতমগী অহোংবনা মহৌশাগী ওইবা কয়াসু অদুম হৌদোকখি। মণিপুরদা পাৎ ওইনা লৈরম্বদগী সহর ওইখিবা কয়াসুনি। পাৎ ওইনা ইরং লংনা লৈরম্বদগী অশোংবা ঙঙ্গল ওইখিবসু অদুম মরৈরে। কৈশামপাৎ, লম্ফেল পাৎ, অকাম পাৎ, শঙ্গাই পাৎ মতম অমগী পাৎনে। হৌজিক্লা শক্তম অমা, খরুং পাৎ অমসুং ইকো পাৎনা মতম অমদা ঈশিংনা পূল্লং লংলম্বা হৌজিক্লা ঈশিং উবা ফংদ্রবা তৌ, খোইমোম্মা শোংজিনখ্রবা মতমগী অহোংবনা পুরকপা ঙাক্কনি। তেম্থা থৌবাল জিলাগী মনুংদা য়াম্মা পিকপা খুনসু নত্তবা য়াম্মা চাউবা খুনসু নত্তবা ময়াই ওইরপ চাউবা খুন অমনি। মণিপুবগী কেন্দ্র ৬০ গী মনুংদা অচৌবা খুন্দুগী মমিং লৌনৈ লিলোং কেন্দ্র, থৌবাল কেন্দ্র, ৱাংখেম, কর্কচিং অসুম্মা থোনবদা ৱাংজিং তেম্থা কেন্দ্র হায়না তেম্থাসু য়াওরবনি। অদুগা পঞ্চায়েৎ, জিল্লা পরিষদতা তেম্থা গ্রাম পঞ্চায়েৎ, তেম্থা জিল্লা পরিষদ কৌনবিবনি। তেম্থা অসি হৌজিক্তি যুমথংনবা খুঙ্গংশিংগা লমজেল তানবা য়াওবক্লে। মসিমক মহৌশানা লৈরম্বা নত্তে। তপ্পা তপ্পা যাম্মা ফিভম চারমদবদগী ওইরকপনি। অহানবা তেম্থাদা তৌরকখিবশিং তুংগী মীরোন্দ্রি করিমতা খণ্ডহৌররোই, ৱারী ওই তাগদবদা ঙাইরবনি। তেম্থা করম্মা ওইরকখিবা তুংগী মীরোন্না থিগৎপদা খরদং মতেং ওইনবা হায়দুনা "তেম্থা খুন্দারোল" কৌবা লাইরিক মচা অসিমতং পুথোকচবনি। লাইরক অসিদা চেপ্তুর তককতং ইসিনজবা অদুগা ফোঙদোকচবদা কনাগুম্বশিংনা অশোইবা অরানবা থেংনবীদুনা

চুমথোক্‌পিবক্লবদি হরাউনা লৌজবগা লোয়ননা মথংগী খূৎনমদা চুমথোকনবা থমজগে। লাইবিক অসি পুথোক্লবা হোৎনবদা ঐবু কন্না ইনশিনখিবদি ব্রাংজিংদা পোকখিবা মোইরাংথেম নিপামচা অপোকপা ইবোহলনা থৌনা পিবীবনি, ওজা অসিগী শিংবা ঙম্লরোইদবা লমন তোনজরি।

অইবা

MA

য়াওফম তাকপা

হীবম	লমায

MA

তেম্থা খুন্দারোল

তেম্থা মণিপুরগী মনুংদা থৌবাল জিলাগী মনুংচনবা খুল অমনি। থৌবাল জিলাগী খুল ১৩০ রোম লৈবগী মনুংদা খুল নম্বর ৩৭ শুবনি। ব্রহ্মা রোদতগী নোংচুপ পাংনা ৱাংজিংদগী কিলোমিতর ৭ (তরেৎ) লোম চৎলগা পিক্তকপা চীংদুম মচা কংলা চীংদোন কৌবা চীং অসিগী মখোংদা কোযনা তাবা খুল অমনি। ঙসিদি চীং অসিদগী নোংপোক চীংখৈরোমদা কিলোমিত্তর অমা মখায অনিরোম হাইগৎলক্তুনা খুন্দারে। তেম্থাদা য়ুম্নাক শাগৈ ৭০/৮০ রোম ... লুমক্তোক ১০০০ (লিশিং অমা) গী মথক্তা তারে। ময়ামশিংগী মনুংদা শাগৈ ৪/৫ দি তেম্থাদা হান্না খুন্দাদু... লৈরম্লবা ... ংবুনি। মখোয়শিংদুগী মনুংদা কনানা হান্না খুন্দাখিবগে ? ইহান হান্না তেম্থা তাবা মীশক অদু কনানো হায়না থিবকপদা লুনা থোক্লে। মরমদি তেম্থা খুলগী ওইবা খুন্দারোলগী লাইরিক ইদুনা থম্লম্বা নত্তবনা অরুবা ফিভমদা লৈ। অদুবু তেম্থাগী ওইনা শাগৈ ৪/৫ দি খরা কুইববা ওইরে হায়না লৌবা যাবে। অতৈ শাগৈ অয়াম্বদি নৌনা খু... দারকপা শাগৈনি। অনৌবা শাগৈ মচা মচা খরদি তেম্থাদগী মুৎখিবসু য়াওরে। খরা কুইববা শাগৈদুদি - মাইবম, লাইমুজম, মোইরাংথেম, নাওরেম শাগৈনি। নাওরেম শাগৈসু চীংঙামখা তাবা অমসুং নাওরেম শাগৈ লোকলাওবুং তাবনি। মণিপুরদা খুমন সলাইগী মাইবম শাগৈসু অনি থোকই। মাইবম শাগৈ তেম্থা তাবা অমা ... মাইবম শাগৈ লোকপা চীং তাবা মাইবমনি। তেম্থাদা তারিবা মাইবম শাগৈ অসিদি তেম্থা তাবা মাইবমনি। অদুবু তেম্থাদা খুন্দাখিবদগী মতম কুইনা মীয়ামগা ...শম্নদবা চৎথোক ... শিন কনা তাদা কনা উদনা ঈ পাউ ফাওনবা ৱাংপদগী অইবা রেকোর্দ থম্লমদবনা মীরোল ১০/২০ লোমদি হাঙদুনা শম্নদ্রে হায়বা য়াই। মরম অদুনা তেম্থা তাবদগী অতোপ্পদা চৎনখিবা য়াওরবসু মকোক্তু ইফং ফংদবনা শম্নবদা অৱাবা ওইদুনা লৈনবসু কোঙ্গায়নি। খুমন সলাইগী পুয়া হৌরকপদগী মথং মথং ইরকপদা তেম্থা তাবা মাইবম অসি য়োইথোংঙাইগী ধারানি হায়রগা মমৈদা কুইদ্রিবা নারন, অহোং, য়োইবা অসুম্না ইরমলগা মখা তানা ইথরমদবনা হৌজিক ফংলিবা রেকোর্দ অসিনসু

পুয়াদা ইরমবা মীরোলশিংগা শম্নবদা য়াম্না শাংনা অহোবা লৈরে হায়বা উই। চেকখোং, নোংখ্রং কৈরোই, লাংথবাললোল অমসুং সঙ্গায় ফম্মাং কৌবা পুয়াশিংদা ইবিরমলিবা খুমন শলাই হৌরকপদগী মথং মথং ইথরকপনা তেন্থা তাবা মাইবম ইবীরম্বদা তোঙান তোঙান থম্বীরম্মী। মখোয়শিং অদুদি লুংবা, য়োইরাংপোক পুন্সিবা, কাচেং ব্রাহেংমাংবা, খোনবা, খোনবানিংথৌ, অতোন লাইফোংবা, পুন্সিবা য়ুমোইবা অমসুং য়োইথোংঙাই ফাওবদি অয়াম্বা পুয়াশিংদা মান্নে হায়না লৌবা য়াই। মখা তারকপা পুয়াশিংদা থম্বীরম্বদি "পুন্সি য়ুমোইবনা ঙানুরোল পিয়াইরোক পান্নদুনা য়োইথোংঙাই পোকই। য়ুমোইববু থৈথদুনা ঙানু থুম্বীগী মচা মশু শেনবনা খুমন নিংথৌ ওইএ।।০।। য়োইথোংঙাইদি লাইয়ান্দ থৈথরে।।০।। শেনবনা লাইকুনে, লাইখানে, লাইফানে অহুম্মা পোকএ, শেনবগী মতুংদা য়োইথোংঙাইনা অমরক নিংথৌ ওইএ। মচা লাইকুদি লৈতাংদা থিরে।।০।। লাইখাদি উচিব্রাদা থিরে।।০।। মনাও লাইফাদি মরিং ওইখিয়ে। য়োইথোংঙাইগী ঈদি তেন্থা তাবা মাইবম য়োইবা মইমনে।।০।। "চকখোং" অতোপ্পা পুয়া অমদনা পুন্সি য়ুমোইবনা ঙানুরোল পিয়াইরোক পান্নদুনা য়োইথোংঙাই পোকই। য়ুমোইববু থৈথদুনা ঙানু থুম্বীগী মচা মশু নুপা শেনবনা খুমন নিংথৌ ওইয়ে। য়োইথোংঙাইদি লা- য়াংতা থৈরে। শেনবনা মচা লাইকুনে, লাইখানে, লাইফানে অহুম্ম পোকএ। শেনবগী মতুংদা য়োইথোংঙাইনা অমরক নিংথৌ ওইযে। শেনবগী ম [illegible] মশুদি লা- য়াংতা থিরে। লাইখাদি উচিব্রাদা থিরে। মনাও লাইফাদি মরিং [illegible]ইখিয়ে য়োইথোংঙাইগী ঈদি তেন্থা তাবা মাইবম য়োইবা ময়ুমনে "[illegible]বোয়" অতোপ্পা পুয়া অমদনা "[illegible]নুরোল পিয়াই[illegible]রোক্লা [illegible]য়াইথোংঙাই, [illegible]ইবমনা হাওরমতোন, [illegible]নুনা মেন[illegible]পোম্বা, ঙানুনা থো[illegible]লেরোন, ঙানু[illegible] [illegible] চনুনা [illegible] [illegible]ংয়াই [illegible] [illegible] নিংথৌ সয়ারেন, খোংঙাইদ[illegible] চেক[illegible]াম্না পিয়াইখো[illegible] থিংগোল [illegible]বা, মুংবিলেমনা অদোন য়াইথি [illegible]ওশ[illegible] লাংবম চনুনা শমযোক[illegible]ক্লা শং[illegible] ম[illegible] [illegible]গোনশুনা থিংগোন হনবা, শং লমা হাওয়েং খোংদৌবীন[illegible] কা[illegible] [illegible]তাবা, খোংলৈ [illegible]কোপ লাম্থাবা [illegible]াওরেমতোন্না পুন্সিবা পান[illegible]বী[illegible] [illegible], [illegible]থংলাই [illegible]ংশু চনু পান্নদুনা মনাওর্ ঈদি তেন্থাগী মাইবম অহোং ময়ুম। [illegible] নাংশু [illegible] লামাই ১১৬ অসুম্মা [illegible]ংনবনা ঈদি

MA

য়োইথোংঙাগী, অদুবু মথং মথং লাকপনা থব্রান থাবা নিংথৌগী মতম ফাওবদি মবি অসি তত্তনা লাকই। খৃ: ১২৩১-১২৪২ ফাওবদা পানখিবা চিংথাং লান্থাবদগী য়ামদ্রবদা ১৫৬২-১৫৯৯ ফাওবদা পানখিবা মুংয়াম্বাগী মতম য়ামদ্রবদা চহী ৩০০ লোমগী মরি অসি শম্নহনবদা ব্বারে। পুয়াশিং অসিদি মৈদিংঙু গবিবনিব্রাজগী মতমদা ইবা পুয়াশিংনি। অদুনদি গবিবনিব্রাজগী মমাংদগী তেন্থা তাবা মাইবম অসি তেন্থাদা লৈপ্রে হায়বগী খুদম ফংই। ঐখোয়না খুমন শলাইগী নিংথৌবোল মথং মথং য়েংলকপদা অমুকসু মৈতে নিংথৌবোন মথং মথং য়েংলকপদা "কম্পবিজন তৌবকপদা" খুমন নিংথৌ পুন্সিবা মৈতে নিংথৌ থব্রান থাবা অনিসি মতম অমতদা পানমিন্নে। (খৃ: ১১৯৫-১২৩১) খুমন নিংথৌ পুন্সিবগী মচানুপি শাফবীবু থব্রান থাবদা থাজবম্মী। অদুগা অমুক্কসু মৈতে নিংথৌ থব্রান থাবগী মচানুপি চিংখৈ থানবীবুসু খুমন নিংথৌ পুন্সিবদা থাজবম্মী। নিংথৌ অনিমক মকু ঙাক্তনি, অমুক্কসু মমাক ঙাক্তনি। খুমন নিংথৌ পুন্সিবা নুপি অহুম লোল্লি, অহানবী নুপিদি ব্রাঙমলোন পান ফাবীনি, অনিশুবী নুপিনা লাইশ্রানি, অহুমশুবী নুপিনা থব্রান থাবা নিংথৌগী মচানুপি চিংখৈ থানবীনি। অহানবী নুপি পানফাবীনা চাবনবা পোকই। অনিশুবা লাইশ্রানা থোংপুহনবা পোকই, অহুমশুবী চিংখৈ থানবীনা লৈফোল পোকই। চাবনবা নিংথৌদুনা থিংনাই খুৎশু চন পান্নদুনা য়াওশেনবা পোকই, যাওশেনবগী মনাও নুপাগী ঈদি তেন্থা তাবা মাইবম অহোং মযুম ইবম্বনা থেংথববদা খৃ: ১৩০০ গী স্বাইদা ওইনা যাই হাযবগী খুদম ফংলে। অদুগা অমুকসু টি হদসনগী "দি মৈথেঈ" হায়না লাইবিক্তা "তেন্থা তাবা মাইবম ইভ দ এলদেস সন ওফ মাইবম" হায়না ইবম্বনা মাইবম শাগেগী তেন্থা তাবা অমসুং লোকপা চীং তাবা মাইবমদগী খ্বাইদগী অহন ওই হাযবনি। মাইবম শাগেগী যুমদাবা পুগা যেংবদ অহোংগী কাংবু অমসু [illegible] বু ওইনা থেংনে, পুযাগী মকোক্তা যোইথোংঙাইগী মনাও লোইয়ুমঙাই, লোযুমঙাগী ঈদি তেন্থা তাবা হাযনসু থেংনৈ। হৌজিক ইবকলিবা বেকোঁদ যেংলুববদি ঙল্লবদা মোংযাম্বা, খাগেম্বা মতমদগী ওইনা ফংই। চহী ২০০/৩০০ লোমগী চাবোল শুবোল মরি তৎনবম্মী হাযনা লৌই। তৎফমসু থোকই, তেন্থা কংলা চীংগী চীংখোং অসিদা খুন্দাদুনা লৈখ্রবা তেন্থা অসি ঈশিংনা ইকোয কোযশিনবা খা থংবা সরুক্তা

চিংশাং পরেং অমখক্লা শম্নহনবা নত্তনা অতৈ লম্বী লৈতে ঈ- পাউ ফাওনবা ব্লাৎপনা ওইবসু য়াই।

অতৈ অতোপ্পা শাগৈ মোইরাংথেম, লাইমুজম, অমসুং নাওরেম শাগৈশিংগী য়ুমদাবা পুয়াশিংদগী ফংবদা য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদদি নত্তে হায়বা য়াই।

মোইরাংথেম শাগৈগী য়ুমদাবা পুয়াদা ইরম্বদি মরাম্বনা হান্না তেম্থাদা তারকই হায়না ইরম্মী, মসিদি চাওরাক্লা খাগেম্বগী মতুং ওইবা য়াই। মরমদি মৈতৈ নিংথৌশিংগী চারেন শুরোন কম্পরিজন তৌবদা ফংই। অদুগা অমুকসু নাওরেম লোকলাওবুং তাবা শাগৈ য়ুমদাবা পুয়া য়েংলুবদসু পুকচাওনা তেম্থা তাবকপা অহানবনি হায়না ইবা থেংনৈ। মসিদি চাওবাক্লা গরিবনিৱাজ নংত্রগা ভৈগ্যচন্দ্রগী মতম ওইগনি হায়বসি লেপ্পা ঙম্মী। অদুগা অমুকসু নাওরেম চীঙামখা তাবা কাংলুপকী য়ুমদাবা পুয়া য়েংলুরগদি তেম্থা তাবা অহানবা কনানা হান্না তাবগে হায়বা মশক মমিং খঙবা ঙমদ্রে। অদুমকপু মখোয়না তেম্থাদা খুন্দারম্বগী য়েংলুরগদি থোইনা লিদবা মাল্লি মখোয়গী লৈফমশিং য়েংলুবদা তেম্থাদা থেঙনা তাখিবা তেম্থা খুন্নৌ অমসুং তেম্থা খোংবান্দা অযাম্বা তাবম্বনা থোইনা লিদ্রি হায়বা খুদম ফংই। মরমদি তেম্থা খুন্নৌদা খুন্দবম্বা অদুগা মখোয়গী অপোকপগী খুভম তেম্থাদা লৈতবনা থেংনা তাই হায়বগী খুদমদি ফংই। নাওবেম, চিংঙামখা তাবা, লোকলাওবুং তাবা, নাওবেম চাটৌ তাবা অমসুং ককচিং তাবা মরিগী মনুংদা, চিংঙামখা তাবনি মখোযগী য়ুমদাবা পুযা কায়দনা ইথবকপনা তেম্থাদা কনানা হান্না তাবগে হায়বদু থিবা রাবা[illegible] ওইনমক লিববদা নিমাই নং[illegible]গা পোইরৌ নংত্রগ চেঙ্গোইগী অসি[illegible] মখোয়সু ভ[illegible]চন্দ্র[illegible] মতম [illegible]গা গরিবনিৱাজগী মতম ১৭০৯ গী [illegible]৮ ফাওবগী ম[illegible]দা [illegible]পা [illegible]।

অতো[illegible] লাই[illegible] [illegible]গগী য়ুমদাবা পুযা য়েংলুরগা ম[illegible]সু [illegible]বা শাগৈনি হায়না লৌবা য়া[illegible] [illegible]খোয়গী য়ুমদাবা পুয়া য়েংলুবদা মোইরাং [illegible]লাইগী লাইয়ু পু[illegible]গী [illegible]দা [illegible]নি হায়না রেকোর্দ ফংই। অহানবদদি মোইরাংলোম[illegible]গী [illegible] [illegible] মমাং[illegible]দা মৈতৈ নিংথৌ খো[illegible]ন মোইরাং ময়াম হাত্তুনা মো[illegible] [illegible] মোই[illegible] [illegible]দা ফুমখিবদগী মে[illegible] [illegible]লাই

কায়দুনা চেন্নখিবদগী মমৈদা মখোয়গী চাদা নাওদাদু তেম্থাদা লাকখিবনি। অদুবু তেম্থাদা কনানা হান্না খুনদাবা হৌখিবগে হায়বসিমদি লুনা থোকলে। শাগৈ শলাই কৌবা লাইবিক্তা লাইয়ু পুন্সিবগী চাদা নাওদাদি তেম্থা তাবাদি শ্রীবাসনি হায়না ইবা থেংনৈ। লাইমুজম শাগৈগী যুমদাবা পুয়াদা থেংনবনা শ্রীনিবাস হায়না থেংনৈ। মসিমক্তি কোন্না রেকোর্দি ইরকপদা তেম্থা তাবা লাইমুজম হায়বদি লাইয়ু পুন্সিবগী চাদা নাওদা থিরক্লবা মতুংদা তেম্থাদা লৈরম্বা মীগী মমিং ইবা ওইগনি থাজে। অদুগা অতৈ অতৈ লাইরিকশিংদা লাইয়ু পুন্সিধগী ধাবা নালাশিংদি লাহয়ুজম নৎত্রগা লাইমজম ওইনা থেংনৈ। তেম্থাদদি লোল থৈথবকপা ওইরিগদ্রা করিনো লাইমুজম হায়না অদুম খঙনরে। অয়াম্বা লমদদি লাইযুজম নৎত্রগা লাইমজম ওইনা অয়াম্বনা লৈনখ্রে। তেম্থাগী লাইমুজম শাগৈগী ওইনা কনানা হান্না তরকপগে হাযবসিমদি লুনা থোক্লে। অদুবু কায়বা নৎত্রগা কৌবাংগী মতমদা তেম্থাদা লাকএ হাযনা লৌবা য়াই। মরমদি কায়বগী মচা কৌবাঙনা মাইবম চনু চাউনু পান্নদুনা লাবা পোকই হায়না ইরম্বনা মতম লেপ্পদা থোইনা লুদ্রে। মখোয অসিসু খাগেম্বা নৎত্রগা খুঞ্জাওবগী (খৃ. ১৬৫২ - ১৬৬৬) শ্বাইদা লাকলম্বা য়াই।

তেম্থাদা হান্না খুন্দারম্বা শাগৈদি মাইবমনি হায়বা য়াই। খুদমদি খুন্দা অহানবনা খুন্দুগী লাইগী থৌরম তৌবদা অমদি উমং লাই হরাউবা তেম্থাগী উমং লাই ইকোপ নিংথৌ হরাউবদা অহৌবা অমসুং অরোইবদা লাই পুন্নগী থৌগল মাইবম শাগৈনা পুদুনা ঙসি ফাওবা নিয়ম কায়দনা চৎথরি। অদুম ওইনমক কবিগুম্বা মাইবম শাগৈনা য়ুমমাং কৈমাং তৌরবদি লাইমুজমনা পুগনি হায়না চিনথাং রাবী ওইনা লৈরকই। অইবা লাইরিক ওইনদি থেংনদে। মসিনা তাকপদি তেম্থাগী খুন্দা অহানবনা মাইবম শাগৈনি, অনিশুবনা লাইমুজমনি হায়না লৌবা য়াই। তেম্থাদা অরিবা শাগৈশিংদি মমাংদসু পঞ্জম্রবা, মাইবম, লাইমুজম, মোইরাংথেম অমসুং নাওরেম অসিনি। অতৈ শাগৈ লেমহৌরিবশিংদি য়াম্না থেংথনা অব্বা লানগী মতুং অমসুং বৃটিশ লানগী মতুং অনিশুবা লাঞ্জাওগী মতুংদা তারকপনা অয়াম্বনি।

তেম্থাদা লৈরিবা অরিবা শাগৈ মরি মঙা অসি হৌজিক্তি তোঙান তোঙানবা শাগৈ ওইনা মাগী মাগী পু খায়দোক্লরে। পু খায়দোক্লবা অসি চুম্না

মচিন মনাও য়াম্না নুংশিননা নঙগা ঐগা খায়দোকনসি হায়না খায়দোক্লবা ওইরমলোই। করিগুম্বা নিঙাই শংদানবা অমদি শোয়দনা লৈরমগনি। করিগুম্বা খায়দোকনবা অদুদা ঐগী মাগী পারি পুরি থিগৎনরগা খায়দোক্লবা ওইরমগনি। খুদম ওইনা গরিবনিৱাজগী মচা সমজাইগী কাংলুপ অমা অদুগা গরিবনিৱাজগী মচা ঙৌব্রাম সাইগী কাংলুপ, গমভিরসিং অমসুং নরসিংহ অদুদগী মথং মথং শুরচন্দ্র কুলচন্দ্রবু সমজাইগী কাংবু অদুগা চুড়াচান্দ বোধচন্দ্রবু ঙৌব্রাম সাইগী নংত্রগা নরসিংহগী কাংবু হায়না খায়দোকনবগুম তেম্থা তাবা মাইবম অসিসু অহোংগী কাংবু অমসুং নারনগী কাংবু হায়না অনি থোকই। মসিমক অহোঙ অমসুং নারনগী মতমদা খায়দোকনবা ওইরমলোই। মাগী মাগী কাংবু ধারা নালা শমথনরক্তুনা মমৈথংদা খৎন চৈনবা অমা থোকখি হায়নৈ অদুবু অককনবা মীদি কনা কনানো মযেক শেংনা পল্লমদ্রে। চিনথাং ৱারী ওইনা ঈরোই নারেং অমগী খৎনদুনা অনি অদু পু খাইদোক্লখিবনি তেম্থা তাবা অহোং কাংবু অমসুং নারন কাংবুনি।

তেম্থাদা তারিবা মোইরাংথেম শাগৈসু পু অহুম থোকখি। অহানবদা পু অনি থোকপা মবম চায়। পু অহন অমসুং পু য়াইমা অনি অসিদি অহানবদগী য়েংলকপদা মবম চানা অনি থোকখিবনি। মুবা কৌবা নুপা অমনা চন্দ্রমুখি পান্নরগা মচা নুপা অনি পোকখি। মমিংদি মুংলেম অমসুং শোম্বানি। ঙসি লৈরিবা পু অহুমমক্কী মপা মপু ইনবকপদা মুবা য়ৌববদি মতম অদুদা অমতা ওইববনি মুংলেমগী কাংবুনা পু অহন হৌজিক্কী পিবা গ্রুপ অসিনি, অদুগা শোম্বনা হৌজিক পু যাইমনি হাথনিবা কাংবু অসিনি। অনি অসিদি মরম চায় হায়বা য়াই। অদুগী ভুংদা অমুক হন্না পু অহুম থোক্লকপসিদি পু য়াইমদগী খাইথববনি। মসিগী মতাংদদি খায়দোক্লখবদা মরম চান্দ হায়না লৌবা যাই। খেংথববা মতমদা বামোন কৌবা নুপা অমনা মচানুপা অহুম পোকখি। চেংবা অহন, ধনি অমসুং মুনিচন্দ্র নি। মখোয় মচিন মনাও অহুম অসিগী মনুংদগী গ্রুপ অমা খায়দোকপা নত্তে। হৌজিক ফাওবগী 'ওইন' পু য়াইমা ওইনা লৈরি। মশক মমিং খরা পনজরবদা চেংবগী গ্রুপ অসি মরৈবা, মদনানদো, লৈরিখোম্বা, ইবোচৌ, বিজয় অমসুং সুরেসনি। মথংগী মনাও য়াইমা ধনি মচা মশুশিং খরদং পনজরবদা ঘনি, সেঙ্গোই, মাইপাক, চাওরেন, ইবোমচা, বাবুধননি। অহুমশুবা মুনিচন্দগী

MA

গ্রুপনা চন্দ্রমনি, ভালোক মথং মথং লাকপনা অকোইশিং লোকে, পুনচন্দ্র অসুম্না হৌজিক ফাওবা পু যাইমা হায়না ফু কায়নরি হোংদোকনবা য়াওখিদে। অদুম ওইনমক পু অতোম্বা খাইখিবা অসিদি মরম খরা চাফাত্তে হায়বা য়াই। মচিন মনাও অহুমগী য়াইমা ওইবা ধনিনা মচানুপা মরি পোকখি। মঙ্গি, ধানি, মিখু, থাবলনি। ঘনিনা নুপি অহুম লৌই, অহানবা নুপি খুমন চনু জুবতিনা মচানুপা মঙা পোকই। মদুদি সেঙ্গোয়, তোলেন, তোনদোন, মৈলৈ অমসুং জিবননি। অনীশুবা নুপি লাংপোকলাকপম চনু মাইচোন্না মচা নুপা কেবোন পোকই। অহুমশুবী নুপিনা হাওবম থাবল কৌই। থাবলনা মচা নুপা অমা পোকই মমিংদি চাওতোননি। মাদি য়াইরিপোক্তা হোংখ্রে। ঘানিগী অনিশুবী অমসুং অহুমশুবী মচা কেবোন অমসুং চাওতোন্না পু অতোম্বনি হায়না লৈখ্রে। অদুগী মথক্তা ঘানিগী ময়াম্বা অহন মঙ্গিগী কাংবু অসিসু পু অতোম্বারোমদা লৈখ্রে। মসিদা নৈনদুনা য়েংবদা নুপি অহুম লোল্লুবদগী নিংঙাই শংদানবদা ওইরমগদ্রা খল্লি, অদুগী মথক্তা অমুক্তসু খৎন চৈনবা থোক্লরকপদা য়াওনিংবা গ্রুপ, নুংশিনবা গ্রুপ খায়দোক খাইজিন তৌনবগী খুদম খরা ফংই।

অতোপ্পা অমনা তেন্থাদা লৈরিবা নাওরেম শাগৈ চীংঙামখা অমসুং লোকলাওবুং তাবা অনিশু অমনি। মখোয়গী তৌরকফম নিংথোনবনা মোইরাংথেম চনু তাইখুরেম্বী পান্নদুনা মচা নুপা মরি পোকখি। মমিংদি পনশা, তাইখুরেম্বা, বীরসিং, সনাতোননি। পনশানা নাওরেম চাব্রৌ তাবা হায়না খঙনৈ। তাইখুরেম্ববু চীংঙামখা তাবা হায়না খঙনৈ, বীরসিংবু লোকলাওবুং তাবা হায়না খঙনৈ, সনাতোনবু কক্চিং তাবা হায়না, তেন্থাদা তারিবা নাওরেম অসি চীংঙামখা তাবা অমসুং লোকলাওবুং তাবনি। চীংঙামখা তাবা নাওরেমবু লোকলাওবুং তাবনি। অরা নাওরেম হায়না খঙনবি। মসিদি কুইদ্রিবা ঙরাং নহান্দা ঙায়বিনা রারীনি হায়না য়াই। নাওরেম চিংঙ্গোয় কৌবা অমনা থৌনাওজম চনু খোমদোন পান্নরগা মচানুপা অনী অহন্দুনা পুর্ণশ্যাম, নহাদুনা পুইনবন্ত কৌই। তেন্থাদা লৈহৌরিবা চিংঙামখা তাবা নাওরেম অসিদি, পুর্ণশ্যামনা নিংঙোম্বম চনু তরু কৌবী অমা লৌরগা মচানুপা মঙা পোক্লুনা শন্দোক্লকপা ঙাক্তনি। পুইনবন্তদি অবানা ফাদুনা পুখি। অদুদগী মখোয়বু অন্ন া হায়নখিবনি। মতম অদুদদি অবানা ফাদুনা পুখিবা কোঙ্গাইনি। মাইবম,

লাইমুজম, নাওরেম, মোইরাংথেমগীসু য়াওরম্বা য়াই। মাইবমগী যুমদাবা পুয়া য়েংলুবদা মাইবম তোম্বানা তেকচম চনু মবেম অমসুং থোংঙাম চনু অনি পান্নে। মরেম্না থগেম্বা পোকই, থোংঙাম চনুনা চীংখোং পোকই। চীংখোং অৱানা ফাখি, অদুগা খম্বনা মোইবোংথেম খাবী পান্নরগা ভক্তিচরন অমসুং রোমা পোকই, রোমাগী মচা বলদেববু অৱানা ফাখি। অদুগা পুকচাওগী মচা তোমান নুপী অনী লৌই। অহানবা মাইবম উমা অমসুং মাইবম মহন্তনি। উমা অমসুং মচানুপা পুসপা অৱানা ফাদুনা পুরুই। উমা অৱাদগী চেল্লক্তুনা শত্রে অমসুং শামলা পোক্তুনা মদুগী চাদা নাওদানি তেম্থাদা লৈরিবা নাওরেম লোকলাওবুং তাবসি।

মতম অমদা তেম্থাদা তুবেন চেল্লমদে সবক লৈরমদে চন্দ্রকৃতিগী মতমদগী ৱাংজিং তুরেন্না লমদিং ফাওবা লাক্লগা চিরাপুররোমদা থেক্লা খোয়না চেল্লগা খাংঙবোক্লোমদা চেল্লগা ইকোপ পাৎ যৌনবা চেল্লম্বনি। খৃ: ১৮৮০গী মতুং চন্দ্রকৃতিগী মতমদগী সঙ্গাইয়ুমফম ফাওবগা তেম্থারোমদা ৱাংজিং তুরেন থৈথবকপদগী অদুগী মতুংদা ১৯৫৫ দগী ৱাংজিংদগী তেম্থা ফাওবগা ৱাবগাই তাবা লম্বী লাকপদগী তেম্থা মীয়াম মবক্তা খবা খরা তিনবা ঙমজখিবনি।

MA

তেম্থাগী ওইবা থোং মফম খরা

তেম্থাগী ওইনা ব্রাংজিং তুরেন্না খুন অসিগী ময়ায়দা চেনবনা মতম অমদদি তুরেন ব্রাংমা ব্রাংমা চৎথোক চৎশিন তৌবদা হিনা লানবা নৎত্রগা ব্রাগী থোং মখোং অনিনা কারন তাহল্লগা কারক্তুদা ব্রা নৎত্রগা উনা হেক ফৈনা হাপ্লগা পাম্বে অমা হাপ্লগা লানবা তৌনরম্মী। করিগুম্বদা পোৎচাও অমা হাপ্লগা লানবা তারবদি হিনা লানবা নত্তনা উপাই লৈরমদে। তেম্থা খুনগী ময়াযদা ব্রাংজিং তুরেন্না খাইবোক তানা খায়দোকই। অদুগী মথক্তা লৌশি তুরেন (মগুাজ মবিন কাওরেন ওনথ নালা) না অমুক ফৈনা চেনসিন্দুনা ইকোপ তাবা তুবেন অমস্ লৈ। অদুগী মথক্তা তেম্থা খুনৌ অমসুং তেম্থা মরোংখন্দ তাইনবদা কৈফম লাংখোং মবিল অমসু চেল্লি। তুরেন, খোংশিং অসিনা মতুপ মতুপ ওইর্গল্লি। তেম্থা খুঞ্জাও, মখা লৈকায়, ময়াই লৈকায়, মথক লৈকায় লৈমা কোঞ্জিল, তুব্রাবন, থম্বাল চীংয়ানা শরুক অমা অদুগা তেম্থা খুঞ্জাও অ ংথংবা শরুক নাওবেম লৈকায়দগী খকংপাৎ ফাওবা অমা, তেম্থা খোংখাল অরাং থংবা শরুক, হৈবুং, খুনৌ অরাং লৈকায়না শরুক অমা অদুদগী তেম্থা খোংবাল খা থংবা শরুক, খুনৌ খা থংবা শরুক অমা অদুগা ইতোপ তে গ্রা মবোংবন্দনা অমনি। মতম অমদা শরুক অমদগী অমদা চৎথোক চৎশিন্দা হিনা লাপ্লোক লমশিন তৌনৈ। লৈকায অমদগী লৈকায অমদা চৎপা তারবদি মশাগী তি নংএবদি হি লান্নবা মী তৌবগা লান্থোক্লরম্মী। অদুবু হৌজিক্তি লম্বীসু অমগা অমদা ইগাও ফাওনবে গাড়ি মচা অচৌবনা অদুম চৎনবা ইযা য়ারে। মমাংঙৈগী মতমদা যাম্না ব্রানা লেরম্বদগী খরা খরা ফগৎলকপগী পাউদম খবদং তমজগে। তেম্থা করম্না লৈবম্বগে হায়বদু অদুদগী কনানা করি তৌবকপগী নীংশিংবীয়ু।

ঙসিদি সরকারগী অচৌবা থোং নৎত্রবসু লনাই লৈকাইগী থোং ওইববসু উবাক থারগা গাড়ি মচা থৌবদি অয়াম্বনা য়ানরে। অহানবা তেম্থাদা শাখিবা থোংদি লৌশি পাৎতগী ব্রাংজিং তুরেল শম্নহল্লিবা মগুজি মবিন

(কাওরেন ওনথা নলা) না তেম্থা খোংবান অমসুং তেম্থা খুঞ্জাওগী মরক্কী থোং অসিনি, মসিবু তেম্থা থোংখোং হায়গদবদা অয়াম্বনা থুঙ্গোং হায়না খঙনৈ। থোং অসি ১৯৫৫ দা ব্রাংজিংদগী তেম্থা ফাওরগা ব্রাবগাই তাবা লম্বী অসি শেমলকপগা ইবোইননা লম্বী পাকথোরকপা অমসুং থোং শাবা চহী অসিমক্তদনি। থোং অসি শাননবগীদমক অহানবদা নাক য়েৎ অনীমক চেকনা হৌরগা ময়াইদা উনা মখোঙ য়ুংলগা মথক্তা উবাক থাবনি, অহানবদা কাওরেন ওনথা নালা/মগুজি মরিন/লৌশি তুরেন অসি য়াম্না পাক্লা চেল্লকই। হৌজিক্কী লৈবিবা থোং অসিগুম্বা অহুমলোম ঈশিং চেল্লমই। অদুবু অহানবদা লৈবাক থোল্লগা খুহনল্লগা থোং শাবা হৌখিবনি। থোং অসি শানবা হোৎনবদা তেম্থা খোংবান্দগী নাওরেম ইবোহল, নাওরেম একাসি, মোইরাংথেম পঞ্চমনি, শ্রীময়ুম নিলচান্দনচিংবা মী ৩/৪ না থিকা লৌরগা শাখিবনি। লেবব কন্ট্রেক্ট সোসাইটি নত্তবনিনা মীপূম খুদিংমক থিকাদাবগী মিং পানবা য়াদবনিনা শ্রীনাওরেম ইবোহলনা লুচিংদুনা মাগী মমিংদা চে চাং ইনদুনা শাখি। থোং অসি শানবা হোৎনবদা খোংনাং কাবক্কী খোংনাং মশা অচৌবা উবাক খাযদুনা, লমদুগী ইরেনগী, নুংঙাই খোংনাং যান্দুনা শিজিন্নৈ। মতম কুইনা চহী ১/২ চংনা শাবা লোইববা মখোয মশেন কবি শাওনবা লৈবনো ১৯৫৭ জুলাই থাগী তাং ৪ (হবিশযন) নুমিৎতা ইবোহলনা ইম্ফালদগী হল্লকপদা পঞ্চমনিনা মী নেক্লগা ইবোহলবু থাওনা যাল্লগা হাৎখি। মতম অদুদা মীযাম্না ঙাঙনখিবা অমনা খোংনাং কারক্কী খোংনাং যান্দুনা শিজিন্নখিদুনা মদুগী দোশনা শিাখবনি হাযনৈ। অদুম ওইনমক তেম্থাদা অহানবা ওইনা থোংজাও উবাক থোং শাবা অহানবনি। মসি শাবকপদগী তেম্থা খোংবানদগী খুঞ্জাও ফাওবা লৌ উবা চৎথোক চৎশিন ষণ ইবোই থোং মথক্তা চৎপা যাবে। অহানবদা ষণ ইবোই ঈশিংদা লালহনবদু কনবা ঙম্নে। উবাক থোংনবু কয়াম কুইনা চংকনি, অদুগীসু মথক্তা উনা মখোং য়ুংবা ওইবনিনা চহী ৮/৯ শুবকপা ১৯৬৬ কী ঈশিং ঈচাউদা চাউরবা কংদুম পুম অচৌ অচৌবা লৌশি পাৎতগী তাওথরক্তুনা উনা শাবা থোংদু থুদেখি। মতম অদুদদি তেম্থা খুঞ্জাওদা ইউ. জে. বি. স্কুল লিংদুনা খুনৌদগী অঙাংশিং লাইরিক তম্নবা লাক্লববনিনা লম্বী হসি হেন্না অব াবা ওইখ্রে। ইপান থাদা তেম্থা খোংবানগী ষণপোৎ খোইবা চৎপা অমসুং

MA

চিংজিন্দা ষণ ইরোই চীংদা থাবা মতমদা ঈপাক লান্দুনা চৎপনা হান্না লৈরম্বা ফিভমদা অমুক হনজিল্লকখি।

মতম অসিদা তেম্থা খোংবান অমসুং খুঞ্জাওগী নহারোল ময়াম থোরক্কুনা তেম্থাবীদগী উয়ুঙ য়াল্লগা লৈকায়দগী ব্রা খায়দুনা পিক্তক্লা ফুৎ অহুমলোমগী থোং ওইনা ব্রাচেৎনা লোল্লগা শাদুনা মতম খরা শিজিন্নরমই। ষণ ইরোইদি ঈপাক্তা হান্নগুম লাল্লমই। থোং অসিগী ব্রা উ মরক মরক্তা তোয়না শিল্লি। চহী ৬/৭ রানা খাওলবা মতুংদা ১৯৭৩/৭৪ শ্বাইদা নাওরেম কঞ্জবাবুনা এম এল এ কারবা মতুংদা অমুক থোং অসি ময়ায়দা নূংনা মখোঙ হৈদুনা হৌগৎলগা যোৎকী বীম থারগা মথক্তা উবাক থাদুনা অমুক অফবা থোং ওইনা শিজিন্নরে। থোং অসি লাইমুজম নোয়োন সিংহনা থিকা লৌবগা শাখিবনি। অদুবু উবাক ওইবনিনা চহী ৪/৫ লৈবকপগা উবাক তেকপা পৎপা হেক্তা তৌবকই। মবক মরক্তা উবাক হেক শিন্দুনা কয়ামা হোৎনৈ, অদুবু ষণ ইরোইগী ষণথী অমসুং লৈনাংনা হেক্তা উশিংদু পৎহল্লি। অদুবু ১৯৯৫ দা মোইবাংথেম হেমন্তনা এম এল এ কাবকপদগী পাকাগী থোং ওইনা মথক্ক হৈদুনা পাকাগী থোং ওইখ্রে। হন্দক্তি খবা কুইনা চৎকদবা মাল্লি, তেম্থাগী ওইনা খ্বাইদগী মকওইবা থোং অমা হায়বা তাববদি থোংখোং চীংজিনগী থোং অসিনি।

হৌজক ফাওবদা পাকাগী থোং ওইনা লৈববা থোংফম অহুমনি। মখোয়াশং অদুদি ১। তেম্থা থোংখোং চীংজীনগী থোং ২। তেম্থা খুনৌ মোই রাং পল্লিদা ব্রাংজিং ভুবেন মবিন্দা শাবা থোং অসিমা ৩। তেম্থা খুনৌ অমসুং তেম্থা মথোংবন্দ তাইনবদা লৈপিবা কৈফম লাংখোং হাযনা খঙনবা মফমসিদা শাবা থোং অসিনি। থোং অনী অসি যাম্না মকওইবা থোংনি। তেম্থা খুঞ্জাওদগী ইম্ফাল চৎপদা সঙ্গাইযুম্ফম নংত্রগা লমাদংদা লম্বী চৎপা য়াদ্রবসু মোইরাং পল্লিগী থোং অসি লাল্লবদি সঙ্গাইযুম্ফম ফাওদ্রবসু যানবনি। অদুগা অমনা তেম্থাদগী খোংজোম চৎপা মতমদা কৈফম লাংখোং থোং লান্দুনা চৎপা য়াহল্লিবনি। মমাংঙৈদগী অব্রাগা মোইরাংগা লাল শোক্লবা মতমদা মোইবাংনা থোনখিবনি হায়দুনা মোইবাং পল্লি কৌরিবনি। কৈফম লাংখোং থোং অসি শাদ্রিঙৈদা ইনক নক্লা তেম্থা খুনৌ অমসুং তেম্থা মরোংবন্দ চৎথোক চৎশিন্দা

অদুক্কী মতিক অৱাবা ওইরম্মী। থোংফম অনীমক অসি শ্রীহেমন্তনা ১৯৯৫ গী মতুংদা শাবা হৌবকপা অহানবদা উবাক থোং ওইনা লৈরম্বদগী ২০০৯ কী মতুংদা পাকা থোং লোইনা ওইখ্রে। মবক্তা নরনা অমুক মখোং হৈবা হৌরকলবনি। লোইবদি ২০০৯ কী মতুংদা লোইশিনখি। অদুগা ৱাংজিং তুবেনগী মরিন্দা মরুওইবা থোংফম অমা ওইনা তেম্থা হৈবুং থোংখোং হায়না খণ্ডনবা অসিসু অমনি থোং অসিসু উবাক থোংনি, মসিগী মতাংদদি খৎন চৈনবা কয়াসু থোক্লখি। থোং অসি অহানবদা উরোক থোং ওইনা লৈরম্বদগী ১৯৮৫ ইংদা শ্রীমোইবাংথেম নবসিংহনা এম এল এ ওইনা কারকপদগী মদুগী মতুংদা শাবা হৌখিবনি। তেম্থাদা রাজনিতিগী মিৎয়েংদা সি পি আই অমসুং কংগ্রেস পার্টি য়েংশিন্নবকই। ইহান হান্না নাওবেম কুঞ্জবাবুনা ১৯৭২ দা এম পি পিদা এম এল এ কাবকপদগী তেম্থাদা ইলেক্ট্রিক পুসিন্নবা হোৎনদুনা ইলেক্ট্রিক পোষ্ট অদু যোৎকী বেল তালি মানবদু পুথবক্তুনা যুংবা হৌখি। মহাক মথংগী তার্মদা কাদদুনা তার্ম অনীরক ১৯৭৫ অমসুং ১৯৮০ দি শাগম ইবোমচা অমসুং লাইশ্রম শবৎনা এম এল এ ওইখিবদগী ইলেক্ট্রিক্কী মিৎয়েং তেম্থাদা ইচং চংখিদে। ১৯৮৫ দা নবনা ভোৎ কাবকপদগী অথুবা মতমদা সবকাবগী থোং ওইবা নত্তনা কনাগুম্বা এন জি ও (আব দি এস) কী মখাদা থোং শানবা হোৎনখি। এন জি ও না ফাইনান্স তৌবদদি চামদা হুমফুতবামণ্ডা ৭৫%না মখোযনা পুথোক্লগা ২৫%না প্রজানা পুথোকপা ওইগদবা প্রজাগী পৈশা পুথোকপা ঙমদবা নৎত্রগা থিকাদাবগী পৈশা পুথোকপা ঙমদবদগী মখোং অদু হৈবগা যোৎকী বীম থাগদবদা ইলেক্ট্রিক পোষ্ট অদুনা বীম ওইবগা থোং শাখি। বাজনিতিগী মিৎযেংদা কনাগা কবি যেংশিন্নবনা হেমন্তসু ভোৎ মাইথবা ওইবনা মবম চাফাতে হাযদুনা কেস অমা তৌখি। থোং শাবদি পি দবলিউ দি গী পোৎ ওইগদবনি, ইলেক্ট্রিক্কী মপেৎনা থোং শার্বদি হুবানবনি, হাযববোমদা কেস তৌই চুম্বদি চুম্মী, অদুগু [illegible]মগী শেমখ্রবা থেংদু কবম্না সিদোকহনলগদগে। মাইকৈ অনীমক নুংশিনবা ৱাৎনববনিনা থোং শাবদা য়াওবিবা কাংবুনা হৈবুং থোংখোংগী থোং অসি হেমন্ত শানবা য়াবোই হায়না থিংবা ফাওবা য়াওনখিবনি। হায়না হায়না হেৎ শি[illegible]কপা য়াদবনিনা অসুম তপ্না তপ্না নেমথবকখি। থোংদু এন জি ও না শাবনিনা [illegible]বসু অমুং শেমজিন্দ্রে। মখা তানা নৎনা ২০০২ দা

MA

অমুক হন্না এম এল এ কারকপদগী এম এল এ ফম্দদগী অমুক রিপিয়ার তৌদুনা অহনবা উবাক থোং অমুক ওইরকই। উনা শাবা থোং ওইবনিনা কুইনা ইচৎ চত্তে অমুকসু মনথরকই। হৌজিক হৌজিক হান্নগী থোং অদুদগী খরা হঙ্‌ৎনা শাবা উই। হান্নগী থোংফমদু হাওলি করম্বা থোং ওইগদবনো ?

ৱাংজিং তুলেন মরিন্দা তেন্থা খোংবান মনিং লৈকায়দা থোংফম অমসু থোংখোং চীংজিন ময়াদা উবাক থোং অমসু শাখি। অয়াম্বা তেন্থা খুঞ্জাওদা হিরম খুদিংমক, স্কুল তম্ফম, বাজার, বামোন মান্দোপ, চীংজিন্দা যণ ইরোই থাগৎফম চীং অদুগা অচৌবা সরক লম্বী লৈবনা তেন্থা খোংবান মনিং লৈকায়গী থোংফম অসি দরকার লৈরকই। অদুনা তেন্থা থোংখোং চীংজিনগী থোং, মীযাম্না থুংগোং থোং অসি ১৯৭২/৭৩ দা য়োৎকী বীমদু অমুক শিন্দোকপা মতমদা খরা পিকপা য়োৎকী বীমদুনা ৱাংজিং তুরেন মরিন্দা শাখি, মদু ঈশিং ঈচাওনা থুদোকখিদুনা হৌজিক খরা কুমথরগা সেমি পাকা ওইনা মখোংনা হৈরগা মথক্ক। উবাক ওইবা থোং অমা ১৯৯৫ দা এম এল এ হেমন্তনা মাগী মতমদা শান্না হৌরগা লোইবা ঙমদদুনা ২০০২ দা নরনা এম এল এ ওইরবা কান্দা মথঙ্গী সরুক যোৎকী বীমগা উবাক্কানা থোং অদু লোইশিন্দুনা তেন্থা থোংখোংলম্বা হৈবুং লম্বী চৎপা নৎত্রগা ইকোপ লম্বী তেন্থা খুঞ্জাও ৱাংমা তাবগী খুদোংচাবা পিবী। ময়ামশিং অসিগী মনুংদগী মাঙখ্রবা থোং মফম অমা হায়বা তারবদি তেন্থা খুঞ্জাও মখা লৈকাযগী উবাক থোংসু পনবা য়াই। ১৯৯৫ দা হেমন্তনা এম এল এ কারকপদগী মাগী ফন্দগী উবাক থোং অমা শাখি, থোং অদু উবা মথোং ওইবা। উনা বীম থারগা শাখিবনি থোং অসি ২০০২ দা হেমন্তনা লোং মাইথিবা চহীদুনা মাগী ৱার্কর খবনা পেন্দ্রদুনা ভোৎ হায়দোকপা নুমিৎতা মৈ থাদোক্লুনা মাঙহনখি। মফমদু অমুক হন্না শাখিদ্রে। মথংগী থোং অমা হায়বা তারবদি ৱাংজিং তুরেন মরিন্দগী ইকোপ পাৎ তাবা লৌশি তুরেন্না ফৈনা ফুবা ইবোং মরি ফাংবা অসিদা ময়াম্না খঙনবা থোংহনবী মকোক হায়না খঙনবা অসিদা পিক্তকপা থোং মফম অসিসু অমনি। মসিসু ৱাংজিং তেন্থা ফার্মরস দিভেলবমেন্ট এসোসিএসন ময়াম্না (ৱাতেফাদিয়াস) না দাম ওই করি তৌদুনা শাবা থোং অসিসু অমনি। মসিসু ২০০২ দা হেমন্তগী ৱার্কর খরনা সরুক খরা থুগাইখি। অদুবু অমুক নরগী পেরিএত্তা অমুকসু খরদি মমায়

শেমজিনখি। মথক্কী য়োৎকী বীম্না মনাক নক্লা ব্রাংজিং তুরেন মরিন্দা শাবা দাইর্ভসন ব্রীদজ অদুগী অমনবা অদুনা থাজিল্লগা হৌজিক হৌজিক হেবি লোদ গাড়ি ফাওবা লান্দুনা মীয়াম চৎথোক চৎশিন তৌরী। থোং মফম খরসু লৈরি মদুদি- তেম্বা মাইরেন খুন অমসুং তেম্বা মরোংবন্দ তাইনবদা কৈফম লাংখোং মরিন অসিসু য়াম্না মরুওইবা থোং অমা ওই। মরমদি পুলে পোকপিদগী মাইরেন খুন তারগা তেম্বা মরোংবন্দ চৎথোক চৎশিনদা দরকার লৈবনা মসিমসু হান্না অৱাবা ফিভমদা লৈরম্মী, কৌনবা তানবা মীৎনা উনবা মফমদা য়ৌবা য়ানদবদু কন্ননবা মখোং নাক য়েৎ হৈরগা মথক্লা উবাক থাদুনা হৌজিক শিজিন্নরি। মসিদসু নত্তে থোং মফম খরসু লৈরি। কাওরেন ওনথা নালাদগী মোইরাং পল্লি হায়না লৈরিবা অসিদা মগুজি মরিন মীয়াম্না ইরেন নৎত্রগা শামুচীং হায়না খঙনবা মফম অসিদা অমা অদুদগী মোইরাং পল্লিদা মীয়াম্না তৌথৎপি হায়না খঙনবা অমগসু লৈরি। মতম অমদদি হিনা অয়াম্বা চৎথোক চৎশিন তৌনৈ লৌ শিং চৎপা মতমদা ফি হোংলগা ঈশিং লান্দুনা হেক হেক চৎনরম্মী, ষণনা পোৎপু ফাল্লগা লালহল্লি, পোয়নু লৌরেকপদা ওহ্নোক্লা অৱাবা ওইরম্বদু অহানবদা তৌথৎপি উরোক থোং ওইনা শাবা হৌরম্মী। দাক্তর নরনা এম এল এ ওবদগী অহানবগী তাঙ্কক্তা ইরেনগী থোং অসি শাবা হৌখি। মথংগী ২০০২ দা অমুক হনলকপদগী তৌথৎপি থোংসু উকুগী মওংদা স্লেত হৈদুনা শাখিদুনা গাড়ি চৎথোক চৎসিন্দা খুদোংচাবা ওইহল্লে। হৌজিক্তি তেম্বাগী মফম অয়াম্বা লম্বীদা অপনবা অমতা লৈত্রে হায়বা য়াই, অদুগী মথক্তা ২০১০ দদি ইরেনগী থোং অসিসু পাকাগী থোং ওরগনি হায়বগী সরকারগী ওর্দর লৈরে।

ব্রাংজিং তুরেন মবিন হায়বা য়াই পাঙন সঙ্গাই য়ুম্ফমদগী তেম্বা খুঞ্জাও ফাওবদা লৈরিবা তুরেন অসিদা শারিবা থোং অচৌবা মচা (উরোক থোং নত্তবা) চাকা অনী পানবা গাড়ি মচানা থৌদোক থৌজিন য়াবা থোংদি মণিপুরগী তুরেন খুদিংমক্তগী ব্রাংজিং তুরেন মরিন্দা শাবা থোংনা খ্বাইদগী কুংনা শাই হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। নোংমা খবরদা লৈশাংথেম ইবেয়াইনা ইরকপা থেংনখি। মহাক নোংমা তেম্বাদা সাহিত্যগী থৌরম লাকপদা থোংশিংদু উরুবদা খ্বাইদগী কুংনা শাবা থোং অতে অতোপ্পা অমত্তদা উদ্রি হায়না ইরকখি, মদু অচুম্বামকনি।

MA

তেম্থা খুন্দারোল

হান্নদি উরোক থোং ওইনরম্বদু ঙসিদি অয়াম্বনা য়াম্না চাওবা থোংমক নৎত্রবসু য়ামদ্রবদা ফুৎ ৩/৪ পাকপা থোং ওইনা অয়াম্বা শানরে। তুরেন অয়াম্বদা চাওবনিনা লিতান থোং শাবা তারবসু কিলোমিটর ১/২ লাপনরগা অমকা শাবনি। ব্রাংজিং তুরেনদি য়াম্না পাক চাওদবা হান্না পিরুম্বদগী চাওথোকহল্লে হায়রবসু ফুৎ ১০০/৭৫ রোমদমুক পাকপা অদুগী মথক্তা তুরনগী নাক য়েৎ খুন তাবা অদুগী মথক্তা শাগৈগী মপা মচা মচিন মনাও তাবনা লানথোক লানশিন তৌননবা লৈকায় লৈকায়গী ওইনা খায়নরগবু ওইরবসু পঞ্চায়েৎ ফন্দনবু ওইরো অদু উবাক থাবা অসি ওইরে। তেনখ্রবা তেম্থা খুন কিঃ মিঃ ২ রোম অসিদা পাকা থোং নত্তবা থোং ৭/৮ লৈ। অইবনা থমজনীংবা অমনা রাজনিতিগী মিৎয়েংদা ঙাইহাক অঙম অঙম তৌনরবসু চাওখৎ খোংথাংদদি রাজনিতিগী অখুবা মিৎয়েং থমদবা ফৈ। ঐখোয় মশেন ব্রাখল খন্থহনীংই। শাওনরিবনি হায়দুনা অমনা অফবা থবক তৌরবসু মানা তৌবা থবক্তি অফবা ওইরবসু য়েৎকনি হায়বা ব্রাখল থাদোকহনীংই।

তেম্থাগী মমাংঙৈ অমসুং হৌজিক্কী লম্বী

তেম্থাদা ঙসি চৎনবিবা অযাম্বা লম্বী অসি খৃ: কুম ১৯৫৪ গী মমাঙদা নিংথি নুংঙাইনা খোঙনা, সাইকলনা, হৗা গাডিনা কবিগুম্বা মখল অমতনা চৎপা যাবমদে। মৈদিংঙু চন্দ্রকৃত্তিনা খৃ: কুম ১৮৫০ দগী ১৮৮৬ ফাওবা পানখিবদগী ৱাংজিং তুবেন অসি লমদিংদগী খাংঙবোকলোমদা চেল্লম্বদগী সঙ্গাইযুমফম ফাওবগা তেম্থা তান্না তৌবকপদগী মথং মথং লম্বী থোং ওইখিবনি। তুবেন অসি তৌবকত্রিঙৈগী মমাংদা লম্বী থোং তুবেন লৈবমদে। খৃ: ১৮৮০ দা চন্দ্রকৃত্তিনা ককচিংদা মাঙ্গোপ হোংবা লেংবদা থৌদাম চনু মালিনা চন্দ্রকৃত্তিদগী নিজহৌবা ৱাংজিং তুবেননি। তুবেন তৌবকপগী ৱাবীদি চাউনা লৈখ্রে। তুবেন অসি তৌবকপদা যাম্না পাক চাওবা তৌবকপা নত্তে। শুপনতগী ইথৈ লৌখোং মচা অমগুম্না পিক্কক্লা চাউবাক্লা ফুং ২০ মুকতং পাক্লা তুবেন তৌবকপদগী তুবেনগী তোবান্দা খোঙ লম্বী অমা নত্তনা অতে লৈবমদে। লম্বী অদুসু চৎপদা যাম্না খুদোংথিনীংঙাই ওই। ইপান থাদা ৱাংজিং তুবেন ঈহৌবক্তুনা তুবেন তোবর্বন নিংখাযদুনা মখু থি[illegible]নবা বা উ [illegible]ংদুন খোংবে চনবা মযামদুনা চৎপদা অদুক্কী মতিক খুদোং থিনীংঙাইনি। তেম্থা খুল্লক অসিমু লৈকায অমগা লৈকায অমগা চৎথোক চৎশিন তৌবদা লৈখোম লৈনং মব [illegible] নাপি মবক্তা খোঙ লম্বী অমা নত্তনা অতৈ লৈবমদে।

ঙসিদি তেম্থা খুনগী ওইনা লৈকায অমগা লৈকায অমগা চৎথোক চৎশিন তৌবদা হৗাগাডি অচৌবা নৎত্রগা মচানা চাকা অনি পানবা গাড়ি মচানা ইফাও ফাওনবে। মতম [illegible] ঈশিংনা ঈপাব পাক্লা কুম্বী কা[illegible]ন নাইদনা লৈবম্মী হায়দা য়াই। ঙসি [illegible] তেম্থাদগী কবিগুম্বা খুদোংথিবা তাববসু খুদক্তা কনবা ঙম্বগী খুদোংচাবা। [illegible] হায়না লৌবা য়াবে। তেম্থাগী ওইনা অহানবা লম্বী শেমখিবা অসি ৱাংজিং তেম্থা লম্বী ৱাবগাই যৌনা লম্বী অসিনি মরুওইবা লাইফ লাইন নি। লম্বী [illegible] তেম্থা [illegible]বকপদি ১৯৫৪ দগী শেম্না হৌখিবনি। অহানবদা ৱোক্কী লম্বা [illegible], অদুগা পি দবলিউ দি গী লম্বী ওইদুনা ইন্তব

ভিলেজ রোদ ওইখ্রে, পি এম জি এস ব্রাইগী মখাদা লম্বী অসি থাও চাইবগী থবক ব্রাংজিংদগী কিলোমিটর নিপান লোইখ্রে। লম্বী অসি নত্তবা তেম্থা খুনগী মনুংদা পি দবলিউ দিগী মখাদা অমসুং ব্লোক্কী মখাদসু লৈতবা লম্বী কয়ামরুমসু লৈবি। তেম্থাগা খুন থংনবদা ফাওনবা য়াবা লম্বী কয়ামরুম অমসু লৈবে। তেম্থাগী অকোয়বা নাক য়েৎতা খুন কয়ামরুম তারি মদুদি খাঙবোক, সঙ্গাইয়ুমফম, কাং সমাবাম, চিংথাম, তেকচম, ব্রাবগাই অমসুং কৈরকনচিংবা খুন কয়ামরুম তারি। অদুদা নত্তনা উচিব্রা, সনথেল, খেলাখোংনচিংবসু তারি। অকোয়বদা লৈরিবা খুঙ্গংশিংগা তেম্থাগা ফাওদোক ফাওজিন তৌবা য়াবা লম্বী অয়াম্বা লৈরে। ফাওদোক ফাওজিন গাড়ি লম্বী ওইদ্রিবা লম্বীদি উচিব্রা, সনথেল খেলাখোং ফাওনবা অসি নত্তনা অতৈদি গাড়ি লম্বী ওইনা ইফাও ফাওনরে। তেম্থাদগী উচিপা তাবা লম্বী ফাওননবগীদমক মমাংঙৈগী মতমদা মোইরাংদগী খঙ্বনা ইকোপ পৃঙদা চাবা কাও ফাখিবদুগী মমিংদা কাওফা রোদ (কাওফাবা লম্বী) হায়না উচিপারোমদগী থোল্লকই। তেম্থারোমদগীসু তেম্থা ইকোপ হায়বা লম্বী অমসু শেমথক্কই। ইপান থা নত্তনা ইকং থাদদি সাইকল তোংদুনা চংবা য়াদবনি।

তেম্থাগী ওইনা লৈজরিবা লম্বীশিং অদুদি ঃ

১। ব্রাংজিংদগী তেম্থা অমসুং ব্রাবগাই কৈরক তাবা
২। তেম্থা থোংখোং চিংজিন্দগী লৈম কোনজিল ফাওরগা ইরেন তাবা
৩। ব্রাংজিং তেম্থা লম্বী খোংবান্দগী হৈবুং তাবা
৪। তেম্থা থোংখোং চিংজিন্দগী হৈবুং তাবা
৫। তেম্থা থোংখোং চিংজিন্দগী হৈবুং ফাওরগা মোইরাং পলি তাবা
৬। ইরেন্দগী খোংদৌবী ফাওরগা ব্রাবগাই লম্বী তাবা
৭। ইরেন্দগী তেকচম হৈনিশোয় তাবা
৮। মোইরাং পল্লি, ইরেন্দগী খাংঙবোক তাবা
৯। মোইরাং পল্লিদগী চিংথাম তাবা
১০। মোইরাং পল্লিদগী সমরাম তাবা

১১। সমরামদগী মরোংবন্দ ফাওরগা মাইরেন খুন তাবা

১২। মাইরেন খুন লম্বী

১৩। তেন্থাদগী ইকোপ তাবা

১৪। তেন্থাদগী খরুংপাৎ তাবা

১৫। খোংবান খুঞ্জাও ফাওনবা লম্বী

১৬। খোংবান হৈবুং লম্বী তাবা

তেন্থাদগী ব্রাবগাই কৈরক তাবা শাংলবা কিলোমিটর ৮/৯ লোম চীংয়াদা চৎখ্রি, লম্বী অসিগী মরক মবক্তগী তেকচম তাবা অমসুং তেকচম লাইফম কোনজিন তাবা লম্বী অনি অমসুং ফাওদোক ফাওজিন য়াবা লম্বীনি। অহানবা ফাওদোকফমদি খোংদৌবী ফাওবগা ইরেন চৎলগা তেকচম হৈনিংশোয় তাবা অমসুং খোংদৌবীদগী চীংযা লম্বী চৎলগা তেকচম শনজি তাবনি। খর চৎলগা অমুক্তসু বাবগাই লম্বীদগী তেকচম লাইফমকোনজিল তাবা অসিসু ব্রাবগাই লম্বীদগী তেকচম মানতক লম্বীদা শম্নহল্লি। ব্রাংজিং তেন্থাগী লম্বী অসিদগী খাংঙবোক চিবাপুব তাখিবা লম্বীসু লৈ। মসিমদি মমাংঙৈ কবোগা মোইবাংগা লাল তৌনবদা থোনখিবা মোইবাং পল্লি অসিনা ফাওনহল্লি। মোইবাং পল্লি অসিদগী তেন্থাদগী চিংথাম তাবা লম্বীসু অমনি, অদুগা সমবাম তাখিদুনা খোংজোম যৌনবসু তেন্থাগী মোইরাং পল্লি অসিদগী খাইখিবনি। ব্রাংজিংদগী তেন্থা বাবগাই লম্বীগী তেন্থা থোংখোং চিংজিন্দগী ইরেন ফাওবগা তেকচম হৈনিংশোই তাবা মসি লম্বী অনি শুই, অমনা থোংখোং চিংজিন্দগী লৈমা কোনজিল ফাওবগা ইরেন তাবা অমসুং থোংখোং চিংজিন্দগী মগুজি মবিনগী মপান তোববান্দা চৎপা লম্বীসু অমনি। তেন্থা থোংখোং চিংজিন্দগী মোইবাং পল্লি তাবা লম্বী অসি ময়াংচিং হৈবুং ফাওরগা মোইরাং পল্লি তাবসু অমনি। হৈবুংগী লম্বী অসিদসু তেন্থা খোংবান্দগী মফম অনি থোক্লা ফাওজিনবা য়াবসু লৈ। তেন্থাগী কাওরেন ওনথা চিংজিন অসিদগী তেন্থা মবোংবন্দ তাবগী লম্বী অসিসু অমনি, মোইরাং পল্লিনা

খুদোংচাবা পীরি, খোংদৌবীদগী ইরেন, সমরাম, চিংথাম চৎপদা লম্বী অসিনা খুদোংচাবা পীরি। ৱাংজিং তেম্থা অসিদগী তেম্থা মাইরেন খন ফাওদোক ফাওজিন য়াবা লম্বী অসিসু অমনি, অদুগা তেম্থা মরোংবন্দদগী তেম্থা মাইরেন খুন ফাওবগী লম্বী ফাওনবা য়াহল্লি। লম্বীশিং লোইনা ইফাও ফাওনরে। তেম্থাগী লম্বী অসি ৱাংজিং তুরেনগী তোবর্বান নাক য়েৎ অনিমক গাড়ি চৎপা য়াবা ঙাক্তনি।

লম্বীশিং অসিগী খল্লুরগা তেম্থা প্রজানা তোন্দুনা লৈহৌরবা লমন শিংবা ঙমলরোইদবা মীওইশিংদি মীওই খরা পঞ্জরবদা লমদিংদগী লাইশ্রম চন্দ্রমনি সিংহ, এক্স এম. এল. এ. (টেরিটোরিএল কাউন্সিলগী মমাং), শিংজমৈদগী শ্রীপাঙম্বম চাউবা সিংহ, ভিলেজ লেবেল ৱার্কর, এস. ই. ও. ওইনা কিংকোং ইবোচৌ সিংহ, থিকাদার ওইনা শিংজমৈদগী মাইবম তোম্বী ৱাংজিংদা পোকপা মোইরাংথেম নিপামচা রিটাযার প্রাইমারি টিচর অমসুং তেম্থাদা পোকখিবা এক্স এম. এল. এ. নাওরেম কুঞ্জবাবু সিংহ, দাক্তর এম নবা সিংহ অমসুং মোইবাংথেম হেমন্ত সিংহ অদুগা লোয়ননা ময়াম্না নীংশিংবীদ্রবা নাওরেম ইবোহল (ইবোহল খোঙশাংবা) মখোয়গী মপান্দগী তেম্থা হায়বা খুঙ্গং অসিনা থংনবা খুঙ্গংশিংগা লমজেন তান্নবা য়াওজরিবা চাউখৎপগী মমি তাবিবা অসি মথক্তা পনজখিবা মীওইশিং অসিগী মপাল্লনি হায়বদা হায়মনবা থোকলোই। তেম্থাদা লম্বীশিং অসি চহী ৫০ মুক্কী মনুংগ মথং মথ' লৈবরখিবনি। হৌজিক খুন অসিদা চৎথোক চৎশিন নুংঙাইহল্লিবা লম্বী অসি শেম্লব হোৎনরকপদা যৈখায থিনগায়বা খৎন- চৈনবা অৱা অনা কয়া মায়োক্লখিদবা নত্তে। চাওবাকপা ''রদং পনজববদা মখাগী খবা অসিনি।

১। ৱাংজিংদগী তেম্থা ৱাবগাই তাবা লম্বী

ৱাংজিংদগী তেম্থা ৱাবগাই তাবা লম্বী অসি খৃ: ১৯৫৪ ইংদা খুল্লিবা হৌখি। মতম অসিদা ৱাংজিংদা পঞ্চাই ঘর অমসুং প্রোজেক্ট হায়না ওফিস

লৈবন্মী। মতম অমা মণিপুরগী নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতম স্নাখ্বা পৃয়োর্বত্তনা চিফ মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা এম. এল. এ. ওইবম্বা শ্রীলাইশ্রম চন্দ্রমণিনা ৱাংজিংদগী ৱাবগাই ফাওবা যাবা লম্বী অসি সবকাবদা কন্না তক্লবদগী মতম অদুগী এস. ই. ও. কিংকোং ইবোচৌ অমসুং ভি এল দবলিউ পাওম্বম চাউবাখোয়না প্রোজেক্টা লৈবদগী লম্বী অসি সেম্নবা ওর্দব থোক্তুনা শিংজমৈদগী মাইবম তোম্বীনা থিকা লৌদুনা লম্বী শেম্নবগী খুল্লিরকই। লমদিং, সঙ্গায়য়ুমফমগী প্রজাশিং হবাউ হবাউ অয়েৎপা য়াওদনা তকখায়রকই। তেম্থা প্রজাসু হৱাউনা লম্বী শেম্বদা শহজোগ পীরম্মী। মী খুদিংমক চপ মান্নবা ওইদবনিনা অসুক কান্নরগদবা থবক অসিদা অপনবা থোকখিবদি তেম্থা খুনৌদা পোকখিবা লাইমুজম অচৌবানি। মহাক মতম অমদা পঞ্চাই মেম্বব ওইবন্মী। যাম্না ইনাব কৈবাক খুনবা মচা মশু খৃৎকন পাঙ্গনবা ইমুংনি। মাগী মচা নুপা লিল্লবাবুনি। অদুগা লাইমুজম অমুবনা পোকলম্বা ইবোহলসু মমা মপা লৈত্রবনিনা মচাগুম মচিন মনাওগুম মখোয তবেৎ চঙ চঙ লাউনা পাল্লম্মী। নুংঙাই যাইফরিঙৈ মতম ইংখোলগী উ- ৱা, মনা- মশিং লোইনমক ফৈ। মখোযগী ভোবর্বান্দা হৌবা উ- ৱা অঙকপা ফংনা ফৈ, যানথৎপদা পাম্মুবা হায়বদু ওই। ময়ামগী লম্বী শেমলকপদা অতৈদি থোইদোক্লা মমল য়াম্বা পোৎ লৈতবনা য়াম্না ফ্রি ওই হায়বা যাই। অদুবু অচৌবগীদি পাম্মুবা পোৎ ঙাক্তনি। যানবা তুপ্পা তাববসু তপ্না যানবা পান্নকখি। সবকাবগী থবক পাউ পিদনা নমজা নমথেক যাদে, অদুনা ভি এল দবলিউ পাওম্বম চাউবনা যাম্না ব্যেভাব উত্তুনা "খুরা ইবংঙো হান্নসু পঞ্চাই মেম্বব ওইবীবম্বনি, ঐখোয় সরকারগী হুকুম অমগী মতুংইন্না লম্বী অসি শেমজবনি অতৈদি লোইনা তেমথোকাবেবনি, ঙসিদগী নৃমিৎ তরেৎনি ফাওবগী মনুংদা উ ৱাশিং অসি য়ানথৎপিরো নৎত্রবদি সবকাবগী হৌনবী মতুংইন্না আইনগী থবক চৎথজরগনি, ঐখোয় মনিং থংবা সরুক অসি লোইজরুখিগে" হায়দুনা অইবা চে অমনা নোটিস পীরম্মী। মতমদু ফাইরেন লমদানি, মীপুম খুদিংমক অমুক্তসু উদ্রিবা ত্রেক্টরনা লৈবাক লৈপল তকখায়বা উ- ৱা ইনথুবা মখোঙদু

নাচল মখোঙগুম চৎপা যেংবদা যাম্না নুংঙাইবা মবম্না মী অযাম্বা ইন্না ইন্না যেংনবিবনি। লৈবাক্কী ঈ পাউদি হেক্তমক তানৈ। লাইমুজমগী ব্রা যানথৎতে, নোটিশ তৌখ্রবা ফাওবা যানথৎত্রবদি ত্রেক্টব থৌজিলগনি, প্রজানা হেক্তা যানথৎকনি হায়বদুনি। অচৌবগী মচাশিংসু হেবা মবিন লৈবা কনানো যানসনু, হায়না "ব্রাইনবমন্দাইগী ষণনা মচি ফেংবগুম" ফেংদুনা লৈখ্রে। অচৌবগী মচা মশুশিং অহনদুগী মঙান্না কনাগুম্বা অমতা অকিবা লৈতে। মতম অদুদা মীশিং লাইবিক লাইশু হৈতবশিংগী মনুংদগী লাইবিক খবদং তমজহৌবা লাইবিক্কী মঙাল খবদং ফংজহৌবা মীওই খবদং পনজবা তাববদি

মোইবাংথেম অঙৌবা অপোকপা তস্ফাজাও, মোইবাংথেম অঙৌবী অপোকপা মাইপাক, মোইবাংথেম নিংথৌ অপোকপা চন্দ্রহাস, অমসুং মোইবাংথেম তোম্বা অপোকপা লৈবিখোম্বনি, মসিগী মথক্তা মোইবাংথেম্ব নপামচা অপোকপা ইবোহল ব্রাংজিংসু অমনি। মখোযসু মীযামগীনি হায়বদগী মাংজিল খানা চোংথোকনীংবা ওইখি। হায়নবা লৈ অহনশিংগী পাউবৌদা "নুপি নহাগী কা, লৌবি ইংখোলগী কা" ইংখোলগী অদুক যাম্না পোৎতু শাম্পা [illegible] কনানী পুক্লিং হবাউগনি। হৌজিক্কী মম্মশা ওইবগি [illegible] কমপেনসেসন (ক্ষেত্রি পুবেন) পিনগদবনি, মতমদুগী [illegible] নদস [illegible] তৌদকপদা পাঙনগী সুম্মা [illegible] মপা গোল [illegible] দম ত্রাগানক্রাম্বা যাওখি [illegible]। [illegible] যদি ত্র [illegible] [illegible] লাইনা তুংগী [illegible] [illegible] লিবা [illegible] খ হৌরনে। মীযাম্না [illegible] খানলখিব নুমিৎ শুন্দনা [illegible] চা [illegible] তেম্বাগী লাইবিক তমহৌদুনা মাংজিলা থাম্বা নহা ঙৌবা, নিংথৌহোইনা বা যানবা হৌবকখি। অদুদগী অচৌবগী মচাশিংনা মীওইশিংদুবু ফাবগা থৌবিনা পুন্দুনা থমলগা চৈবা ফুথবকপদা মীযাম চেনশিন্দুনা চৈ ফানবা যাওদুনা ফুবমক্তি ফুখিদ্রে। অদুবু ঙাংবা যাবা চৈবা যাবা মখুৎ চল্লবা খুৎ হনবা ঙমলোইদবদা ঙাওবগুম

নিলবাবুনা মচিন পেন্না মশা ফবদু উৎল- উৎলদুনা ঙাঙখি। লাক্লিবা মীয়ামদুগী মরক্তা থৌরীনা পুন্দুনা লৈরিবা মোইরাংথেম নিংথৌ অমসুং মোইরাংথেম ঙৌবাগী মপা চন্দ্রহাস অমসুং তম্ফাজাওসু য়েংবা লাকই। অচৌবগী মচা মশুশিংনা তৌরমলিবদু উরুবদা অচৌবদা ৱা ঙাঙজবদি ঙমদা মমীত্তা পি তারকই। অদুবু মীৎ পি তারবসু মীয়ামগীনি খনবদগী "অদুনি ইচাসিদি মীয়ামগীদমক শিদোক্কদবনি" তিল্লিবা মীয়ামদু মচিন্না কন্না ঙাঙজবা ঙমদ্রবসু অনি তিন্না মরুম মরুম অহুম তিন্না মরুম মরুম ৱারী শান্নবদি লেপ্তে। তিল্লিবা মীয়ামদুগী মরক্তগী মরোংবন্দগী নাওরেম তোলেনজাও অমসুং লমদিংদগী সোরোকখাইবম লৈরেনজাও মফমদু থাদোক্লুনা চেনখি। মখোয়না হায়রম্বা "নখোয় কয়াম কুইনা খাঙবা য়াবগে য়েংঙু নখোয় ঙৈহাক লৈরগা ফাদুনা পুহনগদবনি" হায়না চেনখিদুনা থনাদা তাকখি। নুমিদাংৱাইরমগী মতমদা থানাগী গাড়ি অমা লাক্লগা অচৌবা অমসুং মচা নুপা ৬ (তরুক) ফারগা পুখি। পুল্লিবা অতৈ লোযনা মতম অদুদা থাদোকখি। অমুবনা পোক্লম্বা ইবোহলদি চেনখিদুনা ফাবা যাওখিদে। অচৌবা শৈশা য়াম্না তিংখি। নুমিৎ হুমনি শুবদদি অচৌবনা প্রজাশিংদা ৱা যানবদা মতেং পাংযায়ু। অপাম্বা মখোঙ ওইরবসু হঙ্গেল ওইববসু খবা খরা হোঙনা লৌবীয়ু মমল খবদং তনজিনবীয়ু হায়না অয়াবা পিথোক্লবা মতুংদা লম্বী অসি শেমলক্লুনা ৱাবগাই তাবা চীংয়া লম্বীসু কক্তুনা শেমখি। মদুগী মতুং ১৯৫৬ ইংদগী শিঙ্গলিং চাইবা কৌরকখি। মতম অদুগী নুং চাউবা হৌনকপগী মওংদি মান গাড়িদুনা তুরেনগী নুং পুলক্লগা উবাক্ত উপু অমা চক্লগা। উপুদুগী মথক্তা নুং [illegible] কই। উপুদু পল্লগা ফুৎ ৭ (অহুমা লানা) চংলগা অমুকসু হৈথবা [illegible]। মতম খরদি গাড়ি চংবা য়াবম্মী [illegible] কযা কুইনা চংপা য়াগনি, খরা লৈবগা কোম কোম হেক্তা [illegible] মতমদুগী সরক অদু ফগৎনীংঙাই ওইদে। সরক্তগী তুরেনগী লৌনম্বালনা ফুৎ ৫ (মঙা) হেন্না ৱাংই। কাংগুম্মা ঈশিং চাওরকপা মতমদা লৌনম্বাল কায়দুনা সরক অদুসু খোং শানা কুত্তুনা লৈহৌবা কোঙ্গায়নি। অ[illegible] শিং স্কুল কাবা, ইমা ইবেলশিংনা ৱাংজিং কৈথেল

কাবা মতমদা তুবেল কায়খিবগী খোংবৈ অমসুং উয়ুং মরক্তা মকোক্তা লুবাক্তা মপোৎ লুম্না পুবগা চৎখিবদো অৱাবগী মশক্কি। মতম অদুদদি তেন্থা ফাওবা গাড়ি চৎপা নত্তে। খোঙনা নৎত্রগা সাইকলনা ৱাংজিং ফাওবা চৎলগা গাড়ি তোংবা নত্তনা উপাই লৈতে। লম্বী ফাওবকপদগী তেন্থাদসু গাড়ি লোইদুনা চেন্নীংবা যাওবকখি, থোকচোম বাবৈ অমসুং ময়েংবম নবসু গাড়ি থ্রি তোনগী (চৌৱেৎ) গাড়ি চেনখি। মতম অদুদগী তেন্থাদগী ললোল ইতিক কাববাবদা খজিক খজিক ফগৎপা হৌরক্লে। অদুবু কয়াম কুইনা নুংঙাইগনি, কোম কোম লৈবক্তুনা গাড়ি চৎপা হেক্তা যাবক্তে। ইং ১৯৭২ দা শ্রীনাওৱেম কুঞ্জবাবু [illegible]ম. এল. এ. ওইবকপদগী লম্বী অসি লৈঙাঙ থোন্দুনা পাক[illegible]বা [illegible]খি। অদুবু তেন্থা মনুংগী ওইবা লমদি তোঙনা থোন্দুনা তুরেন্দগী বাংবা [illegible]বসু মুসলিম [illegible]ইয়ুমকম এবিয়াদদি তুবেন্না ৱাংখৎনা [illegible]নিনা লম্বী [illegible] ফগৎপা ইঙম ঙমদে। নূংকুপ নূংজাও থাববসু গাড়ি অ[illegible]বা চে[illegible]প [illegible] হেক্তা অকুৎপা কযামকম লৈবকই। হান্না গাড়ি ই[illegible] চেন্দবা[illegible], বস ৩/৪ চেনবা হৌবকই। মাশিং যাম্বগী মতুংইন্না [illegible]থোক্তে[illegible]। অদুবু ইম্ফাল চৎপদা অমুক অনিবক্তগী হেন্না চেন্দবনি। তেন্থা[illegible] বা মতমদা হেক হনবা যাবমদে। খৃ: ১৯৮৫ দা মোইবাংথেম [illegible]বনা [illegible] এল. এ. ওইনা কাবকপদগী বাংজিং বিভব প্রোজেক্ট পাযখত্তুনা তুবে[illegible] পাকপদগী লৌজিক্তি তুরেন্দগী সবক্লা বাংখৎল[illegible]নিনা তুবে[illegible] [illegible] চাযবদুর্মাদি কনবা ঙমলে। অদুবু [illegible] চাইবা নত্তবনিনা [illegible]। খৃ: ১৯৯৫ [illegible] মোইবাংথেম হেমন্তনা এম. এল এ. ওই[illegible] তেন্থাগী ওইবা [illegible] মোইবাং পাঙ্কু [illegible] চাইদুনা ম[illegible]ক খবখক্তী ওইনা থাউ চাইবা ডাম। অদুগী মতুং [illegible] ইংদা নবনা এম. এল. এ. ওইবিৰৈদা মমাঙগী প্লান্দা PMGSY 2001-2002, Package No 2 Wangjing Tentha road 8km Rs in lacs 85 58 লম্বী শেম্নবা সেন্ট্রেল গোর্ভনমেন্টকী মখাদা চহী মঙাগী নুনুং [illegible] শোয়রকপা তেক কাযবকপা খুদিংমক থিকাদাবনা পুগদবনি হাযবগী নিয়ম[illegible] লম্বী অদু শেমখি। মদুদা অরোনবা সবকাবগী কাংবুনা থিকা লৌবগা অফোংখা

মী খরা থাদোক্লগা থবক তৌখি। ২০০১ - ২০০২ দগী হৌরবদি ২০০৩/২০০৪ দা শোয়দনা কায়গদবনা তপ্না ২০০৪ দা শেম্বা হৌখি। কিলোমিটর ৮ থাও চাইরম্মী। অদুগী মখাদা এস পি এগী মখাদা অমুক লম্বীদু খরগা পাকথোক চাওথোকহন্দুনা ২০০৮ ফাওবদা কিলোমিটর ৮ ফাওবদং থাও চাইদুনা লৈরে। অহানবদা বস খরখক্তনা সার্ভিস তৌরম্বদুদগী মথক্তা মতম হাঙহন্দনা জিপ সার্ভিস ময়াম তৌদুনা তেন্থাদগী ৱাংজিং ফাওবা চৎনীংবা মতমদা চৎপা য়ারে। হান্নগী ফিভমদগীদি য়াম্না হেন্না খুদোং চারে হায়না লৌবা য়ারে। অদুগা লম্বী অসিমক করিগুম্বদা থাও চাইবগী অথিংবা মরক মরক্তা লৈরবসু লম্বী ফাওদোক ফাওজিন তৌবা য়াবনিনা তেন্থা ৱ াংজিংগীদমক্তি অৱাবা লৈত্রে। তেন্থাদগী ৱাবগাই তাবা লম্বী অসিমদি ফগৎপা ইঙম ঙমদ্রি।

২। লৈমা কোনজিল লম্বী

ৱাংজিং তেন্থা লম্বী অসিগী মথংদা অনিশুবা ওইনা তেন্থা থোংখোং চীংজিনদগী লৈমা কোনজিল ইরেন তাবা লম্বী অসিসু অমনি। ৱাংজিং তেন্থা ৱাবগাই ফাওবা লম্বী শেমখ্রবা মতুংদদি তেন্থা প্রজাগী লম্বী শেম্নগী নুংঙাইবদু খণ্ডলক্নুনা লম্বী অমসু শেম্বা পাল্লকখি। মতম অদুগী তেন্থাগী ওইবা খুঞ্জাওগী লম্বী অসি ওন্থোকপগী লম্বী ওইরম্মী। কংলা চাংগী চীংখোংদা খুন্দাদুনা লৈরিবৈদা লৈরম্লা লম্বীশিংদি- তেন্থা থোংখোং চীংজিনদগী শেংনাং কারক অম্না কাখৎলগা যাত্রর সংখ্যৈনা রিজার্ভর অসিদগী মনা থাবম লোক্লুৎ হায়না খণ্ডনবদা ফয়দাগা মৌলিক রাজমনিগী ইংখোল (মতমদুদা সনাজাওগী হায়রম্মী) ফাওরগা রাজেন্দ্রগী য়ুমগী মথক্তা অমুক লম্বী মখুন ফুং ২ / ৩ মুক পাকপা লম্বী অসিদা সনসম মথক অমসুং থোংগ্রাম মথক চৎলগা সনসম পাকাগী য়ুম মনাক্তা সংখবগা নোংদিয়া চাওবগী শুমাঙদা ফাও ফাওদুনা চৎখিবনা লৈমা কোনজিল ফাওবা শুমাঙদা, ইংখোলদা ফাওরগা চৎনরম্মী।

তেম্থা খুঙ্গারোল

তেম্থা খুঞ্জাও মখা লৈকায়গীসু লম্বী অহানবদা তেম্থা থোংখোংদগী খোংনাং কারক কাখৎলগা সগোলসেম ইংখোল হৈক্রু মখোঙদা লাক্লগা লাই ইকৌফম অসিদগী চীংখোংদা চৎলগা থোংঙাম চীজিন ফাওদোকপা অসিনি। অদুগী লম্বীদু নৎত্রগনা খোংনাং কারক তারগা তুৱাবনগী লমথাফম য়ৌরগা খোংদৌবী য়ৌনবা খোঙ লম্বী ঙাক্তনি। লম্বী অদুদগী হায়থ হায়থদুনা মখা লৈকাই হায়থবা অমসুং লৈমা কোঞ্জিল হায়থবসু খোঙ লম্বী ওইনা চৎনরম্মী। য়াম্না পিক্না লম্বী লমখুন অমতা ফুৎ ২/৩ মুক্তা পাক্না চৎনরম্মী। মবম অদুনা তেম্থা ময়াই লৈকাই, লৈমা কোঞ্জিলগী মীওইশিংসু লম্বী অমতং শেম্লগা চৎপা পাম্লকখি। মরম অদুনা ১৯৫৫ ইংগী জুন তাং ৬ তা তেম্থা থোংখোংদা খোংনাং, খুঞ্জাও, নাওরেম লৈকায়, ময়াই লৈকায় অমসুং মথক লৈকাযগী ওইনা অপুনবা মিতিং অমা শ্রী মাইবম ভদ্রনা সভাপতি ওইদুনা ফমখি। মিতিং অদুদা মীওই ২৮ তিনখি (মীওইদুগী মমিং ইজদ্রে) মীওইশিং অদু লৈকায ৪/৫ গী মীওইদি শুখি। মিতিং অদুদা তাখিবা ৱারেপশিং অসিনি - "তেম্থা থোংখোংদগী লৈমা কোঞ্জিন ফাওবগী লম্বী অমা শেম্লগা লেপনবে। শেম্মনা লম্বী শেম্নবগী কমিতি মী কুনথ্রানা শাবা কমিতি অমা শেম্না হায়না ৱারেপ তারে। কমিতি অসিগী প্রসিদেন্ট শ্রীমোইরাংথেম মৈনো সিংহ অমসুং সেক্রেটরিনা শ্রীসনসম অঙৌ সিংহনা ওইরম্মী। অদুবু মিতিংগী ৱারেপথক্তমক তাবগা কবম্না কনা কনাদা কবি হায়গনি খঙদবনা মাগী মাগী মথৌ লৌউ শিংউ, ঙামী ওইদুনা অদুম লৈবনা চহী অনীদি করিমতা তৌদনা লৈরুরে। মতম অদুদা ৱাংজিংদগী তেম্থাদা ওজা ওইগনি হায়দুনা লাকপা মোইরাংথেম নিপামচা মন্নসু ৱাংজি, তেম্থা লম্বী শেম্বদা অৱাবা মায়োক্লগা রক্লবা মীওই অসিনা মখোয়গী মনাক, হৌজিক পুলিস আউৎ পোষ্ট হাংদুনা লৈরিবা মফম অসিদা প্রোজেক্টকী শঙ শাদুনা লৈরিঙৈদা এস ই ও কিংকোং ইবোচৌ অমসুং ভি এল দবলিউ পাঙম্বম চাওবগা ৱা তান্নরবা মতুংদা শ্রীমোইরাংথেম নিপামচানা খৃ: ১৯৫৭ কী এপ্রিল তাং ৫ দা হান্না প্রসিদেন্ট ওইখিবা মোইরাংথেম মৈনোগী য়ুমদা মিতিং তৌখি। নুমিৎ অদুমক্তা

লৈকায়গী য়ূমথোংগী মী অমমম থোরক্কুনা মী ৩৬ তিনখি। মিতিং অদু শ্রীমোইরাংথেম চাওবনা সভাপতি ওইখি। অহানবা ৱারেপ- তেম্থা থোংখোংদগী ইরেন ফাওবা অসিগী অশাংবা মাইল অমা মখায়রোমনি, মসিগী লম্বী চৎথোক চৎশিন ছাত্র- ছাত্রি, ইমা- ইবেল, কৈথেল কাথোক- কাশিন্দা অৱাবা ওইরে। মরম অদুনা কুমসি চহী অসিদা লম্বী অসি প্রোজেক্ট স্কিমদা য়াওহনবীয়ু অসিনি। অনীশুবা ৱারেপ লম্বী অসি শেম্নবা হোৎনবদা প্রোজেক্টনা তাকপা মতুং ইন্না লৈকায়না পুন্না সহজোগ পিবা অসিনি। রাবেপ মোইবাংথেম নিপামচানা ইবনি। তারিবা ৱারেপ অসি শ্রীনিপামচানা স্কুলগী ওজা অমা ওইজবা ময়ূম্না ৱাংজিংনি য়ূম মনাক্তা প্রো"জেক্টকী মীগা তত্তনা উনদুনা তান্নবগা যাম্না থুনা নুমিৎ নিনী লৈবগা এপ্রিল তাং ৭. ১৯৫৭ অসিমক্তদা মীওই খবা মোইবাংথেম চাওবা, লাইমুজম গৌবহরি, মোইবাংথেম নোদিযা, মোইবাংথেম গুগেশ্বোব, মাঙবম অমুনচিংবা মী খবগা নুপামচাগা তান্নবগা লম্বী অসি শেম্নবা থোংখোং চীংজিন্দগী কাওবেন ওন্থা যৌনা চৎলিবা লম্বী অসি শেম্নবা বি দি ও দা দ্রখাস থাবা হায়না লেপ্নখি। মদুদগী ইকুই কুইদনা তাং ১৫/৫/১৯৫৭ থা অমবোম লৈবগা বি দি ও দা শ্রীচাওবনা দ্রকাস অদু থাখি। দ্রখাস অদু তেম্থাদা কনানসু ইবা হৈতবনা শ্রীমোইবাংথেম নিপামচানা প্রোজেক্টকী মীশিংগা তান্নবগা ইংবাজিদা ইবগা চাওববু সহি তৌহল্লগা দ্রখাস অদু থাখি। দ্রখাস অদুগী মরোন্দি-

To

The B.D.O. Thoubal
Through V L W i/c Wangjing circle

Sir,

I the undersigned have the honour to summit you a copy of resolution passed by the member present in a general meetting held at the house of Shri Mangthoujam Angou Singh on 15th May

MA

1957 at 2 p.m. for construction of a new feeders road by social service worked befor you for your kind fevour of N/A.

Sd :-
M. Chaoba Singh
President
15/5/57

দ্রখাস অসিমক থাননবা মিতিং ফমখ্রগা বি দি ও দা দখাস পিখিবা অমসুং বি দি ও না দ্রখাস ফংখবদি মতুং থা অমরোম লৈবগা তাং ১৫/৬/৫৭ ইংদা ফংখি। বি দি ও না অথুবা মতমদা দ্রখাস অদু আব আর চল্লবা মতুংদা এ। ই ও দা চেদু পাস তৌবকখি।

বি দি ও দা দ্রখাস থাখিবদা মিতিংগী ব্রারেপ য়াওহনখিবদু মখাগী ব্রাবেপ আসনি -

অহানবা ব্রাবেপ ঃ- এস ই ও অমসুং ভি এল দবলিউ ব্রাংজিং সার্কলগ তাকপিবকপগী মতুংইন্না লম্বী অসি ফুৎ ৮ (নিপাল) পাক্লা শেম্বা যানবে

অনীসুবা ব্রাবেপ ঃ- লম্বী শেম্বদা চঙবা ভার খুন্দা লৈখিবা মীপুম খুদিংমক্লা শরুক চপ মান্নবা যাগনি।

অহুমশুবা ব্রাবেপ ঃ কবিগুম্বা লম্বী শেম্বদা লম শোকলবসু খুনগী চৎনবী মতুংইন্না মমল পিবা হায়না যানবে।

মরিশুবা ব্রাবেপ ঃ- লম্বী অসি শেম্বদা রোদ কমিতি অমা শেমলে, রোদ কমিতিগী মোইরাংথেম মৈনো সিংহবু প্রসিদেন্ট অমসুং সনসম অঙৌবু সেক্রেটরী ওইনা খল্লে। অদুবু কমিতি শেমনবদনি করিগুম্বা অমফাওবা তৌদনা ব্রাবেপ তাদুনা লৈবদনি। ব্রারেপকী মতুংইন্না লম্বী অসি শেম্নবা হোৎনবদা মতমদুদা মোইরাংথেম সনাজাওগী ইংখোল ময়ায়দা লম্বী ফাওদুনা চৎপা, অমনা মোইরাংথেম লৈরিকখোম্বগী ইংখোল ফাওদোকপা অমসুং নাওরেম গৌবসিংগী ইংখোল ফাওদোকপা অসিদা অপনবা ওইরে। এতৌদি ইংখোলগী মথক্তা ষণ ইরোই চৎনবা লম্বী য়াম্না পিক্লা ওইরবসু মরম লৈবনা

খরবু কৈ। শ্রীমোইরাংথেম সনাজাও মতম অদুদা গঞ্জাসু পাম্মা শিজিন্নবা মীওই অমনি। নোংমদি নিপামচা কৌবা ওজা অসিনা গঞ্জা খরা পুরগা সনাজাওগী মনাক্তা চংলগা গঞ্জাদু থকমিন্নরগা লম্বী শেম্বদা কান্নবা, তেন্থাগী লম্বী শেম্বদা লাইমুজম অচৌবখোয়গী ৱারী ময়াম অমা শাদুনা মবুক্লীং পেত্থহন্দুনা জ্ঞান তাহলগা লম্বী অসি মীয়ামগী ওইহনবীয়ু পূকচেল খরা চাওথোকপীয়ু হায়না খুরুমদুনা হায়জবগুম্না নুমিৎ চুপ্পা ৱারী শান্নরবা মতুংদা সনাজাওনা তাকপীরকই মদুদি- "ফরে ওজা লম্বী অসি ঐগী ইংখোল ময়ায়দা ফাওবদি তৌবীগনু, ঐগা চন্দ্রগা তাইনবা অসিদা ঐগীসু খরা মাগীসু খরা তংখায় মাঙমিন্নবদা শেম্বীরো" হায়না অয়াবা পীরে। অদুবু নাওরেম গৌরসিং অমসুং মোইরাংথেম লৈরিখোম্বগী ইংখোলদি মখোয মশা তেন্থা খোংবান্দা লৈবনা ঙাঙনবদা লুনা থোক্লে: লম্বী অসিমক ইংখোল অনী অসি ফাওদুনা চৎত্রবদি হান্নগী অহাঙবা অসিদা চৎলবদি লম্বীদু মশক থিহল্লে। মরম অদুনা মীযাম্না লম্বী অসি শেম্বদা নমদুনা ফাওদোকপা য়াদবানিনা প্রেজেক্টকী মীগা তান্নরগা লৈকায়গী মীহুৎ অমনা দ্রখাস থানবা থন্নবদা নিংথৌজম চন্দ্রমনি সিংহনা প্রজাগী মীহুৎ অমা ওইনা দিভেলপমেন্ট কমিস্নারদা দ্রখাস অমা থাখি। দ্রখাসকী মরোন্দি মখাগী অসিনি -

To

The Development Commissioner
Manipur.

Sub : Request for giving an outlet inter - village communication road for the village of Tentha Konjil a lonely neglected village in the Thoubal, Tahsil

Honourable Sir,

I, on behalf of the Tentha Konjil village have the honour to lay the following few lines before you for your kind consideration and immediate favourable orders: That this village has no other outlet cartable road and the same has not been planned by the C.D. Project Thoubal during its existence. Uptil now, we are totally neglected by

MA

the NES block but very recently the SEO Thoubal has made several group discussions and public meeting and a result of which it has come to the notice of the illiterate villagers that every development work of the village should be done by the villagers themselves

Now, we have already started to construct a cartable road according to the resolution passed in a meetting of this village The total length of this self construction road will be about one mile and this road is onthe hill side

Now, we cannot complete this road only because of giving distrubance by two gentlemen Shri Moirangthem Leirikhomba Singh and Naorem Goura Singh of Tentha Khongbal who have got unsettled Ingkhol at the gate of road We have requested them several times to contribute a small part their land or to allow us to purchase a small part of it for the welfare of the village as well for themselves It is only because of the fact that there is no other alternative side for the completion of the road exept touching a part of this Ingkhol

I therefore pray on behalf of this village that your honour would please make a spot enquary and there by allow us complete this road at your honours earliest convince before the rainy season sets in If this maker is neglacted by your honour the faile of the village will ever remain as it is

I hope my humble request will recieve your best attention and favour

Yours faithfully
Sd -
Ningthouja n Chandramani
Tentha Konjil
Member of the road
Development committee
Konjil

Dated
22 C -

অসুম Commissioner দা এখাস থাদুনা নিপামচানা লমজিংদুনা হোৎনজরম্মী। নোংমসু মী ২৮ তিন্নদুনা ৱারেপ অমসু ইরম্মী। মতম অদুদা লাইনিক ইবিনবা মী তাঙই, তেন্থা খোংবান্দগী মোইরাংথেম নিংথৌ, সনসম গোপাল তেন্থা খুঞ্জাও অমসুং মোইরাংথেম রাজেনগুম্বা খরদনি। লৈবক্তুদা মোইবাংথেম তোম্বাসু লৈ, অদুবু মসিগী মতাংদদি মখোয়সু শোকপনিনা

তোম্ববু হায়নদে। তেম্থাগী মীওইশিংসি চুম্না মিং খরা ইবা নত্তনা দলিন, ব্রারেপ ইনরকপদা মী লৈতে, দলিন ইবগীদমক্তদি মোইরাংথেম ইবোতোম্বসু লৈ। নুমিৎ অদুগী মিতিং ব্রারেপ অদু শ্রীমোইরাংথেম রাজেন্না ইরম্মী ব্রাবেপ অদুগী মখাদা সহি তৌনবদা ব্রারেপ ইবা রাজেন্না খ্বাইদগী মমৈদা সহি তৌরম্মী। মতম অদুদা ইবা মতমদা তারিখ, নুমিৎ ইরমদে মখোয়গী লোন্দা অমসুন্না ইরম্মী।

শ্রীহরি - তেম্থা খুমনাও চীংয়া তাম মী ফুমদো
ময়ুম্বী (কোনচ্রি) চাংদুনা চীংয়া তাম পারেং অমিনা
[illegible] ময়ুম্বী অমি (কোনজম পাম) [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] চাংদুনা ইবা
ইবানি চাংদুনা দলিন অমিদা ময়ুম [illegible]
পীরিবা অমিনি

মখাদা মীওই ২। -নী সহি তৌনি, মথং মথং লাল, [illegible],
সেখর, মনি, পাব-নচিংবা তৌবকপদা ইবোই লোইবদা ২ চশুন্দা রাজেন্দ্র
সহি তৌরম্মী। অসিগুম্বা বারেপ. [illegible], দলিন ইবা মতমদা মোইরাংথেম
[illegible] সাণ্দেবা লৈতে। মবমদি মাইকৈ অমদ প্রোজেক্টকা [illegible]
[illegible] লৈবা শে মদন. নুমিৎ খুদিংগী [illegible] স্কুলগী গুরা ওইবা [illegible]।
[illegible] পাউ পুথোক পশিন [illegible], [illegible] দাং লৌশিনগ [illegible]।
প্রজেক্টগী [illegible] চেক্ [illegible] চেকশিন [illegible] মী [illegible] পাম্বগী [illegible]
[illegible] লীদুনা [illegible] লম্বী শেম্মু। [illegible]
সেক্রেটেরি [illegible] পামগদা [illegible]। [illegible] নামদগীসু মদু [illegible] চাপা
ফংনবা [illegible]। [illegible] কপদগী থিকা অদু নিপামচাদা ভাখি। মদুগী
মতুংদা লোংনা নিপামচ. [illegible] দোকুমেন্ট ইনদুনা প্রাজাদসু থাজবা থম্মী।
দোকুমেন্ট অদুদি মখাগী অসুন্না ইরম্মী।

"ঐনা তেম্থা [illegible] ওগী প্রজাশিং পুদুনা লম্বী শেমগনি, অদুগা মখাগী

মরমশিং অসি শিজিন্নগনি। ১৯৫৭-৫৮ ইংদা সরকারগী লম্বী ওইনবা হোৎনগনি।

অহানবদা :- ঐখোয় মযাম সোসিএল ৱার্কনা লম খুল অমত্তং ফাওনবা শেমগনি।

অনীশুবদা :- সোসিএল ৱার্কতা প্রজানা থাজবা থম্বা অমসুং মসিদা এস ই ও বু মতেং পাংহনগনি।

অহুমশুবদা :- লম্বী অসি শেম্বদা বি দি ও অমসুং ওবর্শিয়ার পুথদুনা লম্বী লৈবা লৈতবগী অৱাবা নুংঙাইবা শুগায়না থিন্দুনা তাক্কনি।

মরিশুবদা :- লম্বী শেম্বা যাওবিবা প্রজাশিং অমসুং সোসিএল ৱার্কতা যাওবা ছাত্র-ছাত্রি নুপি নুপা মযাম চত্তুনা সবকাবদা হাযজগনি।

মঙাশুবদা :- লম্বী অসি শেম্নবা অমদি পোজেক্টনা লৌশিনবীনবা বি দি ও, এস ই ও অমসুং ভি এল দবলিউসু উনহনগনি। মবম অদুনা ওভর্সিয়ার থাদুনা লম্বীগী এস্টিমেন্ট পিহন্নবা তৌগনি।

তরোংশুবদা : লম্বী অসি শেম্বদা খবচ চঙলকপা খুদিংমক চোংথাওরক্তুনা [illegible] থাকহনগনি।

[illegible] সদা চংখবা খবচ খুদিংমক বি দি ও, এস ই ও, ভি এল দবলিউনা শেংযরোইদবা মওংদা সিনগনি।

[illegible] শেম্বদা পুথোকখিবা শামকাংশাবগী পৈশা অদু সেং [illegible]

[illegible]

[illegible] তেংবংবগা লোযননা থুনা [illegible] ফঙ্কশন পৈ তনব [illegible] লম্বী অসি শেমলৈড়দা প্রজাশিংদা সিনেমা অমতং কাপনবা এস ই ওদা হাযজগনি। থবক অসি চংলিবা ১৯৫৭ ইংদা যান্নবা এস ই ওগসু তান্নগনি।

অসুম্না মীয়ামগা থাজবা দলিন ইনরগা লম্বী লমখুল মচা অমা শেমলবা মতুংদা বি দি ও থৌবালগসু তান্নরবা মতুংদা লম্বী অসিগী রোদ

কমিতি অদুগী সেক্রেটরী অসি মোইরাংথেম নিপামচা হায়না রিপোর্ট তৌরে। সরকারনসু য়ারকপগী মমি অমদি লাক্লে, অদুনা প্রজানসু সেক্রেটরী অমা ওইনা থবক চেনবা ঙমদবদগী অমুক হন্না নিপামচাদা লম্বী শেম্বগী কমিতিদু শিন্নরে। কমিতি শিন্নরবা মতুংদা নিপামচানা চেনবা য়াবা হায়জবা হায়বগা মমাঙ চহীদা দিভলপমেন্ট কমিস্নারদা দ্রখাস থাকুরবদুনা লম্বী মচিন্দা লৈরিবা লম অসিগীদমক সরকারগী মীওইশিং এস ই ও, ভি এল দবলিউগী মীওইশিং লাক্কুনা নাওরেম গৌরসিংহদা পৈশা খরা হনজিল্লগদি য়ানরে। নাওরেম গৌরসিংহদা লুপা ৩০ (কুন্থ্রা) হনজিল্লে। পুকচেল চাউরবা মোইরাংথেম লৈরিখোম্বগীদি ময়ুমলোমদা ইনাক খুনবা ওইবনিনা পৈশা লৌদনা প্রজাগীদমক কৎথোকলে। লম্বী শেম্বা য়ান্নরবা মতুংদা লৈরিখোম্বগী পুকচেল চাউনা দান তৌবগীদমক প্রজাশিংনসু লমদা অহাংবা ইপাক ওইরিবা লম অমা কনশিনজবো হায়না তাকপিখি। অদুনা মবম ওইদুনা লমশাংদা [illegible] ম[illegible] অ[illegible] তৌ [illegible] সন্নল খাদনা কোইশিনজি[illegible]। [illegible]বতনু মাগী শোকখিবা লম অদুদি সরকা[illegible]গী বো[illegible]না, মেপ্পা ককচংলে। অদুগা নৌনা খোপ[illegible]নবা লম অদুদি সরকারগী বোইদা নামা পানবদা য়া [illegible]।

“১৯৮১ ইংদা তেন্থা থোংখোং বজার শেম্নদা, হা[illegible] গা[illegible] এল পি স্কুলদুদনি লৈরি[illegible]খাম্বানা কনসিনলম্বা ইংখোলদা ইউ জে বী হে[illegible]জিল্লে, [illegible]বু মদু চুন্না প্রভানা পিথোকপা ওইবনা নামা পানখিদুনা [illegible] নৌন বামোনদা [illegible]রাংথেম কাংবুনা লৈরং[illegible] [illegible] হৌজিক মণিপুর নর্সিং ইনস্টিট্যুট [illegible] [illegible]দুনা [illegible]।”

অমুম্বা মতম খব[illegible] [illegible] ১৯৫৮-গী সেপ্তেম্বর তাং ১০ য়ুমশকৈশা নুমিৎকী [illegible] তাবদা প্রজাগী মিতিং অমা শ্রীনাওবেম লালা চৌকিদার নম্বর ১৪৭ না সভাপতী ওইদুনা পাংথোকখি। রারেপ মরি তাখি।

অতানবা রাং [illegible] হৌজিক ঐখোয়গী থোংখোংদগী ইবেন তাবা লম্বী অসি শেম্নদা শ্রীমান মোইরাংথেম নিপামচা সিংহ (তেন্থা লৈমা কোনজিল রোদ কমিতিগী সেক্রেটরী) অসিনা লমজিংদুনা য়ারিমখৈ মতম

থুনা থবক পাঙথোক্লবা হোৎনবা হাযনা লেপনরে।

অনিশুবা ব্রাবেপ ঃ মানা লমজিংদুনা লম্বী শেমথবকপা মতংদা কনাগুম্বনা যূম ইংখোল শোক্তুনা বেবা তৌবকপা থোক্লবদা প্রজা ঐখোয়না থেংনবা হাযনা লেপনবে।

অহুমশুবা ব্রাবেপ ঃ লম্বী অসি শেম্বদা শেল-থুম অবাৎ অপা নিপামচানা পুথোকচবা, কবিগুম্বা মানা শেল থুম ফংলকপদা প্রজা ঐখোয়না কবিসু উশিন্দবা হাযনা যানবে।

মরিশুবা ব্রাবেপ ঃ সেক্রেটরীনা লম্বী শেম্বদা প্রজানা লনগন থোক্লকপদা প্রজানা লেপ্পা হাযনা লেপ্লবে।

মরি[illegible] ব্রাবেপ অসিদা প্রজাশিংদি থোইদোক্লা হবাউনে। মবম্দি প্রজাদগা পৈশা [illegible] যবা যাওদ্রবনিনা প্রজাগী নৎত্রগা কনাগুম্বগী পৈশাদি নাওলপোই খনবদগীনি। লম্বীদি খনা খবা শেম শাবা হৌদুনা নহাবোল ছ[illegible]। [illegible]ত্রশিং [illegible] লাক্তুনা সোসিএল বাকি তৌদনা শেল্লবা, প্রজা[illegible] শেল্লবা মতুংদা ইং ১৯৫৯ গী জনুযারি তাং ৩০ দা সবকাবগী লম্বীগী এগ্রিমেন্ট পুবকই। (বার্ক ওর্দব) এগ্রিমেন্ট অদু পুনকপগা নিপামচানা প্রজাশিংনা উৎখি।

নোং হেক ঙানবগা সনসম পাকাগী যূমদা শ্রীনাওবেম লাশা চৌকিদার [illegible] সভাপতি ওইনা তাং [illegible]১/১/১৯[illegible] দা [illegible]তিং ফমাং [illegible])

[illegible] ব্রাবেপ ঃ ঙা[illegible] যাম্না নৈনববা মতংদা নিপামচানা লোদ [illegible] সেক্রেটারী। তাং [illegible] ১৯[illegible] তৌবনিংলা লম্বীগী এগ্রিমেন্ট অসি চিংনবা লৈত্রে।

অনীশুবা ব্রাবেপ ঃ নিপামচানা থোঙ্গ্রামগী পুংদোন হৌবী মপাদগী থোংখোং ফাওবা শেম্বা অদুগা পুংদোন হৌবীদগী অবোযবা ফাওবা শেম্বা হাযনা লেপ্লবে।

অহুমশুবা ব্রারেপ ঃ এগ্রিমেন্টতা উৎলিবা লুপা অসিনা কোন্নদ্রবসু

ভেম্বা খুন্দারোণ

প্রজানা শেল পুথোকপা হায়নসু লেপ্পরে। মসিগী লম্বী শেম্বদা গনগন লাকপা প্রজাগী দাইনি।

অসুম্মা প্রজাগা য়ানবা থমদুনা লম্বী অসি শেম্বা থা ২/৩ লৈরগা লমদা থাদা তাং ১৬/৩/১৯৫৯ ইংদা লম্বী শেম্বা লোইরে হায়বগী থিকাদারগীতা নত্তনা প্রজাশিংগী রিপোর্টসু বি দি ওদা পীখৎখি।

শ্রীহরি

[illegible]

তাং ১৬-৩-৫৯ ইং

শ্রী [illegible] সিং

[illegible]

অসুম্মা লম্বী শেম্বগী লোইশল্লবা মতুংদা মরক্তা ৩কু শেম্বগী মরকাংদা Utilisation Certificate অমসু থাগৎখি।

1	Brick 200	Rs 90 00
2	Brick carrying charge	Rs 30.00
3	Cement 2 begs	Rs. 21.00

MA

4. Lime 2 begs	Rs 6.00
5. Carrying charge	Rs. 2 00
6 Charge for Re-carrying by boat	Rs 10 00
7 Construction charge	Rs 50.00
8 Sand charge	Rs 15 00
Total	Rs 224 00

(Rupees two hundred and tweentyfour only)

অসুম্না তৌবম্বা লম্বী অসি ঐখোয়না হঙ্গৎনা য়েংবদা ব্রাংজিংদা পোকপা মোইবাংথেম নিপামচা সিংহবু নীংশিংহল্লি, অসিগী মতুংদা লম্বীদু অগুম্বা কযা লৈতবা নত্তে, যাম্নসু চাউবা নত্তবনা লৈকাযগী নহাবোল ম্লবনা লম্ব তু শেংবনা কযাম পাক চাউনা শেম্বা ঙমগনি। ইং ১৯৭৮ দা কেন্দ্রগী মীহুৎ ওইনা নাপম ইবোমচানা লৈবিরেদা থোংখোংদগী লৈমা কোনজিল ফাওবা শিংগ্লিং চাইখি। অদুগী মতুং শ্রীহেমন্তনা মাণী প্রোজেক্ট ব ভেংগদিয়াসনা ১৯৯৭ দা ব্রেক্টল পনক্রুনা অঙম অঙম্বা তেমথোক্তুনা খবল পাম্থাকন্দনা চুম্মা ইনজিন পানবা গাড়ীদা নহেনা ষণ গাড়ি চিংবা ফাঙ যাওল্ল। ২০০৯ ১০ দদি মোইবাং পল্লি মমবাম লম্বী মচিন্দগী ইবেন লৈমা কোনজিল ফাওবগা তেম্বা থোংখোং ফাওবা থাও চাইবগী প্রোগ্রামদা যাওরে। লম্বী অসি তেম্বাগী ওইনা অনীশুবা শেমখিবনি।

৩। হৈবুং থোংখোংদগী হৈবুং তাবা লম্বী।

লম্বী আসি যাম্নসু শাঙবা লম্বী নত্তে, যাম্না তেনবা লম্বীনি। অদু ওইববসু লম্বী অসি ইবান ন্না... ...শমখিবদি নত্তে। তেম্বাগী ওইনা হৈবুংদা এল পি স্কুল অমা ১৯৫৩- ৫৪ ইংদা লিংখৎলকখি। মদুগা ইবোইনন ১৯৫৪ দা তেম্বা লম্বী বাংজিংদগী ব্রাবগাই তাবা অসি শিংজমৈগী মাইবম তোম্বীগী ব্রেক্টবনা লম্বী অসি শেম্লকখি। লম্বী শেম্লকপদা তেম্বা খুনৌ. তেম্বু খোংবালদগী মীসু স্কুল অসিদা লাইবিক তম্বা লাক্কনি, অদুগা হৈবুংগীদু তেম্বাগী লম্বী অসিদা লাক্লবগী অচৌবা মরম অমনি। মতম অদুগী পাঙনবম

চাওবা অমসুং দেবোগা তানবগা মোইরাংথেম থরোজাওখোযগা লাইমুজম ইবোমচা (অমজা) গা ইংখোলগা লবুক্কা তাইনবা অসিদা লৌরী অমা, মোইবাংথেমগীনা ইংখোল ওইদুনা খোংবাল লৈপল নাপখত্তুনা লৈবা অসিদা ট্রেক্টরনা লম্বীদু থোনজিল্লকই। হান্না ঙাংনবগা লৌপুগা যানবগা মদুগী পৈশা হনজিন্নবগা নত্তবনিনা নমফুদা তৌখিবা থবকনিনা ইবোমচাগী মচাশিংনা কেস অমা তৌখি। মদুগী কেসকী বীচাব তৌখিবনা তেংখম্না তৌখি। ইবোমচাদা লুপা ২০০ হনজিনখি। কেস অদুদা হৈবুংলোমগী য়াম্না কন্না চেনখিবা মীওইশিংদি মাইবম বিরচন্দ্র, মোইবাংথেম মাইমু অমসুং পুখ্রমবম চাওবনি। নমদুনা লম্বী শেন্নম্বগী মখোযশিংদু জেল যৌবমগদৌবনি অদুবু প্রজাগী মীহুৎ ওইনা মীযামগী সহজোগ পিবগা জেলমক্তি চংনখিদে। মোইবাংথেম মাইমু প্রজাগীদমক কথোকপা মীশক অমা ওইখি। মীওইবা পৈশা লৈত্রবদি থবক তৌবা ঙমদবদগী পৈশানা যৈদুনা মাইমু থাম্লাপোকপিদা হোংখি। মীযামগী সেবা পামজবা মী অমা ওই। মাইমু লমদুদা [illegible] বুদুনা লৈখি। তেন্থাদা অত্তমশুবা লম্বী অমা তেনখ্রবা লম্বী অসিসু অমনি।

৪। তুব্রাবনগী লম্বী।

তেন্থা তুব্রাবন্দ লম্বী অসিসু অমনি। লম্বী অসি তেন্থা [illegible] লম্বী চিংয়া লম্বী অসিদগী [illegible]ইবোমদা খোং[illegible]। [illegible]জিল্লগা [illegible] লম্বী ই[illegible] যৌবা [illegible]। ই[illegible] অসি যৌবদগী [illegible]বা মাযকৈ [illegible] মফমনি। [illegible]দগী [illegible] হৈনি[illegible] লম্বী, [illegible] কোনাথেল ফাওবগা [illegible]খেং যৌবা, হকেন্দগী মবোংবন্দ, সমবাম, চিংথাম যৌবা ইযাদা যাখ্রে। তেন্থা তুব্রাবন্দগী লম্বী অসি শেন্নকপা মতমদা থোইনা অপনবা অয়েৎপা[illegible] ওখিদে হ[illegible]। অমুমকপু মমৈদা য়েৎনবা খরদি থোকখি। তেন্থা তুব্রাবন্দ হায়নিবা [illegible] অসিদি য়াম্না থেঙথনা খুন্দাবা হৌখিবনি। খৃ: কুম ১৯৫৮-৫৯ [illegible] শ্বাইদা লমদিংদগী মীওই খবা লাকলগা খুন্দাবা

MI

হৌখিবনি। লমদিংগী মীওইসিং লাক্লিঙৈগী মমাঙদা তেম্থাগী মীওইশিংনা লমগন্দুনা লৌ উনবা হোৎনবদা তেম্থা প্রজানা ষণজাবুং ওইগদবনি, লম কনবা যাবোই হাযদুনা চীংখোঙদা ফৌ হুন্দুনা হৌববা মতমদা প্রজাশিংনা ষণ থাজিন্দুনা ফৌদু পিজথোকই। অসুম্না প্রজাগা লম কল্লম্বা তেম্থাগী প্রজাশিংগা কুইনা খৎনবম্বদগী মখোয তোক্লখ্রে। মতম অমদা চীঙকক্লপি অসি ককথৎলগা লৌশিগী ঈশিং চিংথোক্লগা লৌ উগদবনি হাযবগী খোংজং অমা ককচিং, ইবেংবন, তেকচম, পাৎপালনা কন্না চংশিল্লকপগী মতমনি। মতমদুদা লমদিংদগী সোবোকখাইবম লৈবেনজাও, নহাকপম চীংখে, নহাকপম [illegible], লাইশ্রম ভৈগা, লাইশ্রম ইবা, লাইশ্রম চন্দ্রমনি, লাইশ্রম [illegible], [illegible] [illegible]মবোই, যেন্দ্রমবম নিংথৌনচিংবা খবনা ঈশিং থুমদুনা [illegible] [illegible] অসি লৌ উনবানি হাযবা বাহৈ অসিনি। থোইদো[illegible] তেম্থাগী প্রজাশিং[illegible] ঈশিং থুমদুনা লৈবা থম্না থম্বাল হৌবিবা মফমশিং অ[illegible] লৌ [illegible] [illegible] থাজবা বাৎনি। অদুম ওইনমক তেম্থাগী প্রজাশিং [illegible] [illegible] [illegible]নি। হান্নগী মণ ইবোই থাজিনবদি উখিদে, কে[illegible] [illegible] [illegible] [illegible]নাই নং[illegible]নিনা [illegible]দগী [illegible] খায়বা মাইকৈ অমা[illegible] অ[illegible] [illegible] [illegible]মনবা অসিনি। খুন্দগী লৈকাযদগী খাযনবদা চহী ৪, [illegible] শুবকল [illegible]নিনা খুন্নগী মীশিং লিংজেল মান্নবজে। অদুগী মনাক্তা তেম্থাদগী সু [illegible] [illegible] [illegible] পাম্মলকখি। অহানবদা মাইরম [illegible], নাওরেম শেলুংবা [illegible] [illegible] মতুংদ মোইবাং [illegible] লৈবেন, [illegible] জুগেশ্বোবস [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] শেলুংবা, [illegible] চৌকিদবগী মচানুপা অহন্না [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ইবা [illegible] [illegible] লমদিংগী [illegible]দন ওইবা নহাকপম চীংখে অমসুং লৈবেনজাওনা হবাউনা যাবীবকখি [illegible]দু যাবীবকপগী মবমদি মপাদু চৌকিদাবনি মাসু যাওববদি মখোযগী প্রজাশিং মচেৎ মচেৎ তাদুনা লিংজেন মান্নদবা ওইগনি হাযবগী নামাদা শেলুংবু যাওহনখি। শেলুংবগী লম অসি নহাকপম লালানা কনলম্বনি, অদু ওইরবসু লম অসি পিদবা যাবোই হায়দুনা পিখি। অসুম্না হৌবক্লুনা তেম্থাগী

মীওইশিংসু হৌজিক খুন্দাবা যাওখ্রে। লম কল্লম্বা মীওই খরদি অমুক হন্না লমদিংদা হোংগৎখিবসু যাওখ্রে, তেম্থাগী মীওইশিংনা লমদু লৈহৌদুনা তেম্থা অমসুং লমদিংগী মীনা খুন্দাদুনা তুরাবন্দ লৈকায অমা ওইদুনা যুম ৫০ মুক তাদুনা তেম্থা গ্রাম পঞ্চাযেৎকী র্বাদ অমা ওইনা লৈখ্রে।

তুরাবন্দগী লম্বী অসিদি মখোযনা খুন্দাবা হৌরকপদা চীংককপিগী ককথৎলিবা অসি পাউদা চন্নবা নূঙ থিবকপদা মতম অমা অনীশুবা লাঞ্জাওদা মযাম্না জাপান রাব হায়নবদুগী মতমদা ব্রহ্মাবোদ শেম্বদা তেম্থাগী কাওরেন ওম্থা চীং ইবেন্দগী নূঙ ফুক্তুনা লম্বী শেমখিবনা মফম অদুগী নূঙদু অফবা নূঙনি হাযদুনা ইবেনগী নূঙদু খূৎনা থুগাযহন্দুনা থবক শুহল্লম্মী। থুগাযববা নূঙদু লৌননবা গাডি লম্বী লাকপা যাননবা অহানবদা ত্রেক্টব অমা লাক্তুনা খোংদৌবী ফাওবগা (মসি হান্না মখুল অমা লৈবম্মী অদুবু যাম্না ঙল্লমই, মী চৎনবমদে) লম্বী শেম্বা হৌবকখি। খোংদৌবী ফাওবক্লগা তেংনৌপলগী চিঙলক অসিগা ফাওদোকহল্লি। মদুদগী লম্বা গাডি লম্বী ওইহনখি। যাম্না কুইনা কবিমতা তৌদনা লৈবম্বদগী ১৯৭৭ দগী ১৯৮২ ফাওবগী পঞ্চযেৎ মেম্বশিংনা লম্বীগী মপান্দু মতু হাইদোক্তু পঞ্চযেৎনা খবা খবা উবা হৌবকখি। ১৯৮০ গী অদুরাইদা মোইবাংথেম নবনা শিফাইশিংগী ফন্দগী লুপা ২০০০০(লিংশিং কুন) অদুগা পঞ্চাযেৎকী ফং দগী খবা হাপলগ লম্বী অসি নূঙ মচা থাখি। অদুবু রাজনীতিগী শিংথোংদা কন্না যেংশিন্নবদগী অমনা অফবা ওইববসু ফংদনা উবা, মাগী মীনা ফ[illegible] তৌবক [illegible] উবনী চৎননী লৈনবকপা ওইবনা মোইবাংথেম ন[illegible]। ১৯৮৫ দগী ১৯৯৪ ফাও[illegible] তৌবম্বা থবকশিংদনা অপেনল ওইনবব ই। ১৯৯৫ দগী ২০০১ ফাও মোইবাংথেম হেমন্তনা এম এল এ ওইববা মতমদা লমদম অদুগী লম্বী [illegible]দৌবীগী অঙম্বা চীংলক অমসুং তেংনৌপলগী চীংলক্কী অঙম্বশিং ইনথ[illegible]দি লম্বী চৎথোক চৎশিন খবদং ওইববসু ফনবা ঙমগনি হাযদুনা হেমন্তগী এন জি ও অমগী মখাদা (রাতেফদিযাজ) ত্রেক্টব পুথোক্তুনা লম্বী পাকথো[illegible] হনখি অমসুং অঙম্বা লৌথোক্লবা তৌসি হায়কবদা

রাজনিতিগী অখুবা মীৎয়েংদা ত্রেক্টরগী ব্লেদ ফাওবা থাদহনখিদে, খান্না লৈরম্বা নূঙ মচাদু পুমচাই চাইদুনা মাঙবা তারে হায়দুনা শেমহনখিদে। খোংদৌবীগী অঙম্বা তেংনৌপলগী অঙম্বা কোকপা ঙমদনা লৈরি হায়বা য়াই।

৫। থোংখোং চীংজিন্দগী হৈবুং তাবা লম্বী।

রাজনিতিগী মখাদা য়েংথিনবা লৈরকপা অসি তেম্বাদা ১৯৮৫ ইংদগী লৈবকলে হায়বা য়াই। ১৯৭২ দগী ১৯৮৪ ফাওবদা য়েংথিনবা লৈতবা নত্তে। অদুবু য়াম্নমক কনবদি নত্তে। ১৯৭৫ দগী ১৯৮৪ ফাওবদা য়েংথিনবা লৈরবসু খবা হন্থে। মসিদি সাপম ইবোমচা অমসুং লাইশ্রম শবৎ.া তাম অনী অসিদা তেম্বাদগীসু কেন্দিদেৎ থোক্লগসু পুন্না তুমিন্নবনিনা ইক্ল কনদে। খ্বাইদগী কনখিবদি ১৯৮৫দগী লমদম অদুগী মীওইশিং অকা[illegible] পার্টিনা হবাউবা কাদবা পার্টিনা কপনীংবা শাওনীংবা মহৌশানি। ১৯৮[illegible] ইংদা মোইবাংথেম নবনা এম এল এ ওইবকপা তেম্বা থোংখোং চীংজিন্দ[illegible] হৈবুং তাবা লম্বী অসি অনৌবা ওইনা শেমখিবনি। মতম অদুদা এম এল [illegible] দাক্তব নব কমুনিষ্ট পার্টিদা কাবনি সবকাব পাযবা ঙমখিদে। অদুবু ম[illegible]গী মন্দপ মপাং শঙ্গ মযামদুদগী কদাযদগী কবি থবক মচা অমতং তৌগে খুন্দ[illegible] নে[illegible]জি ও অমা "রুবেল দিভেলপমেন্ট সোসাইটি (আব দি এস)" না ফাউনান্স তৌদুনা শেম্বা হৌখি। মতম অদুদা মোচিন্না শুববদি প্রজাশিং পৈশা ফংদে অদুনা মীনা শুবগা [illegible] শুম[illegible] [illegible]বা মীনা শুহনখি। মতম অদুগী লম্বী মচিল মাই[illegible]ম ইংখোল অমসুং লাইমুজম ইংখোল অনীগী তাযনবদা লৈবিবা লৈবক অদু মীয়ামগী অমোৎ অকায থমফম ওই অদুগা ইপান [illegible] লৌউশিংউ মতমদা লৈখোম থোক্তুনা খুকউগী মথক্তা লৈবনা চৎপদা [illegible] াবগী মশক্কি, পোয়নু লৌরোক মতমদসু অদু মঙায় পোৎ পুরগা লম্বী অসি[illegible] চৎপদা য়াদে। লম্বী অসি শেমলনি খন্নবদা রাজনিতিগী ইথিলদগী য়ানীংদব্বা

কয়া অমসুনি। কনাগুম্বা খরনা য়ানীংদবগী মরমদি লম্বী শেম্বদা ঐখোয়গী লম শোকলক্কনি হায়বা কাংবু অমা অতোপ্পা খরনা মখোয়না তৌবা থবক মায় পাকহননীংদে, মরম অদুনা লম্বী শেম্বা পামদবা খরা অসুম্না মী মখল খরা লৈ। অদুদগী মী খরনা ঐগী লম খরা শোকচরবসু মীয়ামগীবু ফগনি হায়রবদি শেমসি হায়বা মখল অমা, অদুদগী ঐখোয়দি ঐখোয়গী পার্টিনা তৌরকপা থবক ফগে ফৌ ফরোই তোকউ, ঐখোয় ইয়া য়াই হায়বা কাংবু অমনি। ভোৎতা মাইথিহৌরবা কাংবুগী মরক্তা নাওরেম বৈকুলসু অমনি, মাদি লৈরক হেক মচিন ইংখোল লোইরকপদা মাগী লৌফমনি, অদুনা চৎথোক চৎশিন্দা খ্বাইদগী ৱাবা ওইবনা লম শোককে শোকসনু ঐগী শেম্বদা যাই হায়না পিথোকই। অতৈদি কোইবগা চৎপসু য়াই বৈকুন্দি কোইবগা চৎপসু খুদোং চাদবনা নি শেম্বা পান্নকখি। মসিগী লম্বী হেক শেম্বদা লৌ তাইন- তাইনবদা লম্বি অসি চৎপনিনা অচুম্বা লম্বী ওইদে। নাকল অমদা মোইবাংথেম তেম্বাগী লৌ লৈ, ভোৎ মাখথিবনিনা মখোয়না তৌবদা শাওনীংবনা অশাওবনা মাঙওইনখিবনা লম্বী শেম্বদা লম কেনাজিল্লক্লনু হায়রকই। মাসিদি য়াম্না কোম্না অমনা মশাগী ইংখোল মতোননি লম্বীগী খোইদোক্তে। মীসম্না তেম্বাগী লমদা লৈনাক নাক্তদনা নাকল অমখোমদা লম খরা হেন্না শোকহল্লগা শেমখি। কনাগুম্বা পুকচেল চাউববা মী ওই খনা লৌযাইদা শাদুনা চৎহনখিবসু যাওই। অদুগা লোমননা কনাগুম্বগী লম ওনথোক ওনশিন তৌবগা শমতনখিবসু যাওই। মতম খরা লৈরগা নোইবাংথেম ...নাংজি. ...ভব প্রোজেক্ট পায়বকপা মতমদা হান্না লাংদং তেম্বা লম্বি অসি লৈবাক ...মতমদা গাড়ি চৎতবা য়াদবনিনা খ...না চৈনা ...খোংহে ...জিন্দগী লম্বী অসিদা গাড়ি চেনখি। লম্বীনা অনৌবা থোনবা সরকারগী লম্বী ওইদবনিনা কোম শাদুনা গাড়ি চেনবা য়াদ্রবা মতমদা তেম্বাগী ...লোনবী ভায়োনবীদি চত্তবা য়াদবনিনা নোংমা নিনিদং লেপলগা ...নহা...োল খরগা চীংদগী নৃঙ ফুক্লগা কোম কোমদু মেন্দুনা শেমখিবনি। অ... রোদ নত্তবনিনা গাড়িনা তোয়না চত্তবনিনা

অদুক য়াম্না ফত্তবদি ওইদ্রে। লম্বী অসি মোইবাং পল্লি ফাওবনি। ১৯৮৫ দা শেমখিবদি হৈবুং খুনজিন ফাওবদনি। ২০০৯ দদি তেন্থাগী গ্রাম পঞ্চয়েৎকী খুথাংদা জব কার্দ পাযদুনা নুমিৎ ১০নিমুক মীয়াম ১০০ বোম্না লম্বী অসি শেমদুনা নৃঙ মচা থাদুনা নুংঙাইবা লম্বী অমা ওইবে হাযবা যাই।

৬। হৈনিংশোয় তাবা লম্বী।

তেন্থা ইবেন্দগী তেকচম হৈনিংশোয তাবা লম্বী অসিসু অমনি। মতম অমদাদি তেকচম তেন্থা চিন, চৎত্রবদি যাবমদে। ওম্থোক্না নকথ্রবা কিলোমিটব অনীবোমদা লাপনা লৈবা তেকচম অসিদা কবিগুম্বা থবক থৌবম চৎপা [illegible]বদি তেন্থাদগী খোংজোম যৌববা মতুংদা খোংজোমদগী তেকচম যৌবনি। ঙসিদি লম্বী শেমখিবদগী তেকচম যৌবনি। ঙসিদি লম্বী শেমখিবদগী নক্লবে। মণিপুবগী মনুংগী লম অতৈনা ম্নাহৈদা তেকচম- তেন্থা [illegible] হাযর্বনি, হান্নদি লাপনবম্মী হৌগিক্তি নক্লবে। এনসাং লান্নবা যা[illegible] হাযবা ওইবে। [illegible]স ওইবক্লবা হেংনখিবা অমসুং ওইহনখিবা মীওইশিং[illegible] • ওবেম কুঞ্জবাবু অমসুং মোইবাংথেম হেমন্তনি। ইং ১৯৭২ গী ইলেক[illegible] [illegible]ওবেম কুঞ্জবাবুনা এম এল এ ওইনা কাবকই। মতমদুদা নক্লথ্রবা তেক[illegible]ম তেন্থা [illegible] লম্বী [illegible]মদি ফাওঃননীংলমই। মতমদুদা [illegible]ইবা ইশাম[illegible]। [illegible] পুদুনা যেংহন[illegible]দা ঈশিংনা ঈপাক [illegible]কপা ঈবঙ লঙবা [illegible] [illegible] [illegible]দে। লোওা[illegible] [illegible] মযাযদা লম্বী যোনবগুম উপাই [illegible]। মতমগী খোঙলে মতুং [illegible] [illegible] কথা লাওবা [illegible]। হান্না ঈশিংনা পুমথুম থুম[illegible]ম্বা ঈশিং চিথোক্লগা ঈকং কংবা অদুগা ঈকং কংলম্বদগী ঈশিংনা ঈপাক পাক্লা থুমদুনা লৈবা অঙকপা নত্তে। লৌ ওইবম্বা কযাদগী লোক্ত[illegible] প্রোজেক্টনা ঈশিং থুমহনখিবা কযাসু লৈ। তিপাইমুখ দাম শাগদবদা খুনজা কযা ঈশিং থুমলগনি মিপাযবা যাওই, অদুগা কনা অমনা লৈকংলা ওইব[illegible] খনবসু যাওই। থৌবাল দাম শাবদা চিংলক তুবেন মপান ঈশিং থুমবসু যাওদবা

নত্তে। অসিগুম্না লৌশি পাৎ কাওরেন ওন্থা নালা অমসুং মগুজি মরিলগী ঈশিং অসি ৱাংজিং তুরেন্দা তারিবনি। কুঞ্জবাবুগী পুক্লিংদা ৱাংজিং তুরেন মরিন মমৈ অসি তৌথোক্লবদি ঈশিং চিংথোকপা ঙমগনি হায়বা ৱাখলদগী হান্না ফৃৎ কুনলোম পাকলম্বা মমৈদা ফুৎ ৫/৬ পাকলম্বদু আই এফ সি দি দগী ওর্দর লৌদুনা তেম্থা থোংখোং চিংজিন্দগী খরুংপাৎ ফাওবা ফুৎ ৩৩ পাক্লা মমৈ তৌথোকপদগী লৌশি পাৎকী ঈশিং চিংথোক্কুনা লৌ উবা খুদোং চাহল্লি। অদুগী মতুংদা লৌশি চীংককপিগী ঈশিংদু চিংথোক্কুনা লৌ চাবা লৌফম ওইহনখি। মতম অমদা লৌশি পাৎতগী মগুজি মরিন কাওরেন ওন্থা নালাদা কবোকঙ তাউশিন্দুনা ফৌ নমশিন্দুনা খুদোংথিবম্বদু শ্রীমোইবাংথেম হেমন্তনা ভোৎ অনীবক মাইথিবা মতমদা শেলখক্কনা যাদে মীযামগী থবক খবা তৌবা ফৈ খন্দুনা মাগী এন জি ও (ৱাতেফদিযাজ) না মগুজি মবিন অসি থোন্দনা লম্বী অসি শেমই। অদুদগী মহাক্লা কাবক্লবা মতুংদা অমুক্কা শেমজিন্দুনা হৌজিক গাড়ি চেম্লোক চেনশিন্দি যাবে। যাম্না অফবা লম্বী অমদি ওইদ্রি, লৌউবা চৎপা লৌ লোকপা চৎপদা গাড়িনা চৎপদি যাবে। লম্বী অসিগী খল্লুবগা না ওবেম কুঞ্জবাবু অমসুং মোইবাংথেম হেমন্তবু নীংসিংহল্লি।

৭। তেম্থাদগী ইকোপ তাবা লম্বী।

মীওইনগী প্রমান মমা চেং পূনগা চেং শিংনা ফৌ পুবগা ফৌ শিংবা হাযবদু চেং [illegible] থোকখি। তেম্থাদা রাজনিতিগী মীওই অনী লৈ, কমুনিষ্ট অমসুং কংগ্রেসনি। মসিগুম্না ইচম চমনা রাজনিতি যাওনদবা গ্রাম পঞ্চাযেৎকী ইলেক্সান. প্রধান মেম্বরদা ফাও মাগী মাগী পার্টি নাইনৈ। মরম অদুনা রাজনিতিদা [illegible] হাওদবা মীওইনা সমাজগী চৎনবী ধর্ম্ম কর্ম্মদা ফাওবা চঙন্দবা তৌ [illegible]। অঙকপনি তেম্থাগী মীওইশিং। তেম্থাদা অহানবদা কুঞ্জবাবুগী কাংলুপ, [illegible]গী কাংলুপ অনী লৈরম্বদগী ১৯৮৫ দগী হেমন্ত,

নরা অনী থোক্লকখি। ১৯৯৫ দা হেমন্তনা এম এল এ হেক কাবগা ব্রাংজিং তুরেনদগী ইকোপ তাবা খোং অসি কুঞ্জবাবুনা এম এল এ ওইরম্বা মতমদা ব্রাংজিং তুরেন মমৈ তৌথোকখিবদগী ইকোপ তাবা খোং অসি ঈশিং চেনবা ব্রাংপদগী থেনগৎপা হৌখি। অদুগী মথক্তা নরনা এম এল এ ওইবদসু ব্রাংজিং রিভর প্রোজেক্ট পায়খৎলকপদগী অমুক্কা হেন্না থেনগৎলকখি। মরমদি ব্রাংজিং তুরেন্না ঈহৌরকপদা লৈঙোই চঙসিলম্লগা তুং কোইনা ঈশং চেন্দবদগীসুনি। খোং অসি হেমন্তনা হেক কাবগা মাগী এন জি ও অমগী মখাদা খোং অসিগী নাক য়েৎ লম্বী গাড়ি লম্বী য়ানবা থোনবা অদুগা লোয়ননা খোংদু লুথহন্নবা মীনা শুহল্লি। মদুগী মতাংদসু ১৯৮৫ দা থোংখোং চিংজিন দগী হৈবুং লম্বী শেম্বদা অশাওবগা লোযননা শোকহনগনু, লৈবাক লৌবুক্তা তাহনলক্কনু হাযখিবগুম, হন্দক অমুকসু খোং তৌবদা অথিংবা লৈক্রে তৌবতবু লৌবুক্তা লৈবাক তাহনলকনু, অহেনবা লৈবাক পুথোকখো [illegible]থিংবা অমা যাওবদ থবক্তু মপুং ফানা মাই পাকপা ঙমখিদে। ভোৎ কাবনা হংখাউবা, ভোৎ মাইথিবনা কপনীংবা, মতমদু কংগ্রেস কাংবুনা ব্রা বা নোক্তুনা [illegible]বক শুবা কাংবুনা নোংমগী খৃৎশুমল তাল্লি, কম্যুনিষ্ট কাংবুনা লায়রবা থবক শুদ্রবাদ চরা হেনলগদবা মীদুফাও কংগ্রেসকী থবক্তা শুবা ফাওবা যাওখিদে। কযাদা তমথিববা বাজনিতিগী মীৎযেংনো ? খোং অসি তৌথোকপদা মমৈদা নাওবেম তোম্বীগী লবুক শমদ্রবদ যাদ্রবা, অথিংবা লৈবনা মযাঙ চলকপদা খোংদু তৌবা লেপখি। মমে যৌনা তৌদ্রবনিনা অমুকসু ফুনগৎ [illegible] হান্নগী [illegible]ভমদা লেকবে। ২০০৯ দা লৈশাংথেমদগী অথোকপম [illegible] লম্বী অম [illegible] তৌনা [illegible]দগীসু লৈশাংথেম লম্বী শম্ননাবা [illegible] অদু থোন্ননব। হোৎনাব লম্বীদি তোংনবা থোনবা ওইনা খোং মনুংদগী লেবাক তৌথোকই অব্রাংপা অদুনা কদাই কাদাইদগী পুরগা হাপনবা হোৎনরি। লম্বীদি ফগৎলকপসু য়াই খোং মবিন্দি মমৈ য়ৌবা তৌদ্রবনিনা মতম খরা লৈরগা অমুকসু ফুনগৎলকপা য়াই। হায়ভনীংবা অমনা চাউখৎ লম্বী শেম্বদা মাইকৈ অনীমক্কী মীৎয়েং খরা মখৈ থাদোক্লবা

ফগনি, মাইকৈ অনীগী মীৎয়েং অসিনা অসুম লৈববদি চাউখৎপা মনিং হনখিবা য়াই।

৮। মোইরাং পল্লি লম্বী।

অতৈ লম্বীশিংদি য়েৎনবা লৈতনা মথং মথং অসুম অসুম ফাওরকখি। ইরেন্দগী মরোংবন লম্বী ৱাংবন তাবা লম্বী অসিমদি অৱা লানদা মোইরাংনা কাওরেন ওন্থা পঞ্জাও কৌবা পল্লি অমা থোনখিবদুবু হৌজিক্তি মোইরাং পল্লি হাযনা খঙনরে। শামুগুম্মা চীং অমা লৌশি মগুঞ্জি মরিন্না খাযদোক্তুনা থমলি, মসিবু মীয়াম্মা, অঙাং নুবিশিংনা শামু মাল্লি, মতোনলোমদা মোইবাং পল্লিনা শমদুনা পুখিবনা শামুগী মমৈনি হেক হায়বদা মীযাম্মা শামু চীং হাযনসু অদুম খঙনৈ। মতম কুইনা লম্বী চৎনবক্তবা অমসুং কবোনা পল্লি থুগাযবগী ঈশিং খোংলম অদুদি, অহানবদা ইবেন খোংনাং কাবক তৌথৎপি, কৈফম লাংখোং, ৱাংজিং তুবেন, কুমথা পাৎ মবিন অমসুং উনিংখোং মবিনগী থোংশিং অসি শাখিবগা লম্বী অসি ফজনা চাকা মরি পানবা গাডি চৎপা যাবে। তেন্থা তুবাবনগী ইমা ইন্দোনশিংনা তেন্থা বজাব চৎপদা অসম্বা লম্বী ওইবে। হান্না মোইবাংনা থোনলম্বা পঞ্জাও অর্দুগী চীংদুগী মমৈ ওইবা শকক্তগীনি, ঙসিদি চীং অসিগী মমাঙথংবা লমদমগা লম্বী সম্ন হল্লিবা অসিদি অতৈ কনাগীসু মতেং যাওদনা তুবাবন্দা লৈবা নাওনেম শেলুংবা অমসুং মনাওনিপা খেলাতোম্ব। অনীগী চীংদুগী মাকন্দা লৌ লৈবদুগী লৌ উবা অমসুং লৌবোকপদা লোডা পুবগা চৎপদু শনবা যোং পাযদুনা লম্বী অসি শেমখিবনি, হৌজিক্তি খুদোং চালে। অহানবদা ইরেনগী থোং শাদ্রিবদি ঈশিং কুম কুমদুনা লানলম্বদনী ১৯৮৫ দা নবনা ভোং কাবকপদগী সনকাবদগী পৈশা কাইগদবা সনকাবনা মশক খঙবা নাত্তবেনিনা আর দি এস কৌবা এন দি ও অমগা মতেংনা ইরেনগী থোং অসি শাখি। লম্বী অসিগী তেন্থা মতোং য়ৌদ্রিঙদা পল্লি তৌথৎপি অসিসু এন জি ও গী মতেংনা শাখিবনি। মতম কুইনা চৎপা যাদদুনা লৈরমবদগী ২০০২ গী

নরনা অমুক হন্নকপদগী থোং অসি লোইশনখিবনি। হৌজিক্তি হেভি লোদ লৈবাক পুদুনা চৎপা য়াহল্লে, অদুম ওইনমক থাও চাইবা লম্বীদি ওইদে। লাইবক ফবদগী ২০০৯-১০ অসিদা তেন্থা মরোংবন্দগী ইরেন ফাওবগা তেন্থা থোংখোং চীংজিন য়ৌবা লৈমা কোনজিল ফাওবগী লম্বী অমা ওইহনলগনি হায়বগী সরকারগী ব্রাকি ওঁদর থোকখ্রে। মসিগী লম্বী অসিগা থাও চাইবা লম্বী ওইরবদি নুংঙাইবা হেনগৎলগনি খল্লি।

৯। অতৈ অতৈ লম্বী মচা মচাশিং।

মসি নত্তবা ইবেন্দগী থোংখোং চীংজিন তাবা তোঁবান লম্বী অসিসু অমনি। লম্বী অসিসু তুব্রাবন্দগী নৎত্রগা তেকচমদগী তেন্থা থোংখোং তাবা মতমদা লৈমা কোঞ্জিল চৎপদগী তোবর্বান লম্বী চৎপনা তংখায় [illegible] শমাজল্লি, লম্বী অসিসু যাম্না মকওইবনি। হৌজিক ফাওবদি গাড়ি অনৌবা হেভি লোদ চৎপদি নুংঙাইত্রি, তঙায় ফদনা মসিসু হেভি লোদ চৎপা য়াবা লম্বী ওইহনখিনি। মরমদি থোংখোংদগী ইরেন ফাওবা কিলোমিটর ২ লোম ওইনদ্রদা। লম্বী অসিনা কিলোমিটর অমগুম্বদা ওইগনি।

[illegible]বনা অসম্বা লম্বী অসি হেন্না পাম্নরকই। তেন্থা খুঞ্জাও মপাই লৈকায়দগী থোংখোং চীংজিন য়ৌরগা গাড়ি তোংবা [illegible]মসুং কুম্ববুদি ব্রাউর সপ্লাইগী পুখ্রি ম[illegible]ন্দগী তেন্থা খোংবান য়ৌবা ম[illegible]তক অমগা শম্নদুনা চৎলে, মসিসু লম্বী ম[illegible] অমা লৈহল্লি। মতৎ মতৎ ওইরবসু অসম্বা পামনরকপদগী থোংখোং চীং[illegible]গী হৈবুং [illegible]লী চ[illegible] গাড়ি চেল্লিঙৈ, তেন্থা খোংবান ময়ায় লৈকায়দগী ময়াংচীং শম্বা লম্বী অসিসু অমনি। অসিগা লোয়ননা সমরাম লম্বীদগী তেন্থা মাইরেন খুন য়ৌনা শমজিনবা লম্বী অসিসু অমনি। মতম অমদদি লম নকনরবসু লম্বী থোং নাতৈ চাদবনা কোইনা কোইনা চৎনরম্বদু য়াবমখৈ ইশম শমজিল্লে। মরম অদুনা তেন্থাগী ওইনা লম্বীশিং অসিদা গাড়ি ফাওদনা চৎপা য়াদ্রিবা হায়ববু পুখ্রি মপানদগী খোংবান তাবা

অসিমদি থোংফম ওইদবনা গাড়ি ফাওদোক ফাওজিন য়াদে।

তেন্থা ৱাংজিং তুরেনগী নাক য়েৎ অনিমক খুন্দাবনি। সরকারনা শক খঙবীদুনা থাও চায়রবা ৱাংজিং তেন্থা ৱাবগাই তাবা কিলোমিটর ৮ নি। তেন্থাদগী খরুংপাৎ য়ৌবা নাক য়েৎ অনিমক খরুংপাৎ ফাওবা গাড়ি চৎপা য়াবা লম্বীনি। ২০০৯ দা তেন্থা গ্রাম পঞ্চয়েৎনা সিন্দুনা জোব কার্দ পায়দুনা থবক শুবনা নাপি ফান্দুনা হৌজিক নূঙ চাইগনি হাযনা হোৎনরি। অসি নত্তবা ইনৌ নৌবা অমনা হৈবুং লম্বী অসিদগী খাংঙবোক খুন মমৈ তাবা লম্বী অমসু থমলি। মসিদি খাংঙবোক্লা খরা শুরকপা তেন্থানা খবা শুবকপদুনা হৌজিক চকা অনি পানবা গাডিদি চৎপা যাবে। হান্না মোইরাং পলিদগী খাংঙবোক য়ৌনা চৎপদু হৌজিক্তি থোংখোং চীংজিন্দগী খাংঙবোক মমৈ তাবদি অদুক্কী মতিক শমখ্রে।

M/

তেন্থাদা মহৈ- মশিং তম্বা হৌরকপা অমসুং স্কুল লিংবা হৌরকপা।

তেন্থাগী ওইনা মহৈ- মশিং তম্নবগী অঙাংশিংগী স্কুল লিংখৎলকপা অদুক্কী মতিক থেঙথখ্রে। মণিপুরগী ওইনা ১৯০০ দগী স্কুল লিংদুনা মহৈ মশিং তম্নখ্রবা মতুং চহী ৫০ বোমদি কনা অমতনা স্কুল লিংদুনা মহৈ- মশিং তম্বগী থবক তৌরমদে। অদুবু মহৈ মশিং তম্নবা খরা খরা হৌনবকপদা খোংজোমদা ব্রাংজিংদা অদুদগী খবা ব্রাংখৎলগা ইম্ফালদা চৎলগা তম্নরম্মই। ছাত্র যাম্না তম্নরম্মদে। মমৈথংদা ১: ৫০ শ্বাইদগী লাইবিক তম্নবা স্কুল লিংবা হৌবকখি। মদুগী মমাংদা অতোপ-অতোপ্পা মফমদগী ওজাশিং কৌরগা সঙ্গোয ঐমদা মাঙ্গোল অমদা চহীগী ফৌ খাযনদুনা পীবগা তম্বা তৌনবম্মী। অদুবু স্কুল ওইনা মমিং থোনবদি নত্তে। অদুবু মতমগী মতুং ইন্দুনা ফৌ[illegible] যাওদনা লেম্না স্কুল নাইনবা ১৯৫০ দা তেন্থা খুনৌদা "এল পি স্কুল" অমা লিংন্নবা তেন্থাগী অহলশিংনা খন্নদুনা তেন্থা খুনৌ কাংজেবুংদা স্কুল লিংবা হৌখি। মতম অদুদা তেন্থাদা ওজা ওইবীনবা মী লৈবমদে। মবম অদুদা লমদিংদগী থোকচোম শ্যামো সিংহ মপা ইবোচাবু ওজা ওইহল্লি, মতম অদুদা লমদিং কোন্নুং লমপাক্কী মচি অমদা "প্রোজেক্ট" কী অফিস লৈবম্মী, থবক তৌবম খুদিংমক প্রোজেক্টনা পাযবম্মী, স্কুলগী ওজা অমা ওইবা তারবদি মথাক ক্লাস আস্ত(VIII) পাস তৌগদবর্নি, অদুগা ওজাগী পরিক্ষা (টিচরসিপ একজামিনেসন) পাস তৌগদবনি, [illegible]বগী নিযম লৈজরম্মী। অদুনা তেন্থাগী মীওইশিং লৈতবনা লমদিংদগী শ্যামোবু ওজা ওইবগা তেন্থাগী অহানবা ওইনা এল পি স্কুল লিংবা হৌখি। অদুগী মথংদা তেন্থা খুঞ্জাওদা ১৯৫২ দা এল পি স্কুল লিংবা হৌখি। অদুদগী মথং মথং তেন্থা মরোংবন্দ এল পি, তেন্থা খুনৌ গার্লস এল পি অমসুং তেন্থা খুঞ্জাও গার্লস এল পি লিংবা হৌনরক্লে। অদুবু চহী ফনা কুইনা চাওরাক্লা চহী ১৬ কী মতুংদা

তেন্থাগী প্রজাশিংনা ক্লাস থ্রি (III) য়ৌরবদি ৱাংজিং খোংজোম চৎপদা অৱাবা ওইরে খল্লক্তুনা তেন্থা ইউ জে বি স্কুল লিংনবগী ৱাখল খন্নরক্তুনা তেন্থা খোংখোংদা প্রজাগী মিটিং অমা ১৯৬৫ গী মার্চ থাদা তৌখি। মীয়াম্না খন্নরবা মতুংদা তেন্থাদা ইউ জে বি স্কুল অমা ক্লাস ফাইব (V) ফাওবগী অমা লিংনবা য়ানখি। মদু তেন্থা হৈবুং এল পি স্কুলদা তন্বা হৌখি। অহানবা ওজা ওইনা খনখিবা ওজাশিংদি - কৈশাম নরান, তেকচম শামু, ব্রহ্মচারিময়ুম ইবুংঙো, মোইরাংথেম বলরাম, মোইরাংথেম বিজয়নি। ১৯৬৬ তনি, মতম অদুদা ময়াম্না খন্নদুনা তানখিবা ৱারেপতি করিগুম্বা মেত্রিক পাস তৌবা অহানবদুনা হেদ মষ্টব পুহনবদা য়ানখি। অহানবদা তেকচম শামুনা হেদ মষ্টর ফম পাযহনখি, লাইবক থিবদগী তেকচম শামু পাস তৌখিদ্রে, মোইরাংথেম বলবাম পাস তৌরকখি। কালেন সুতি কারকপদা বলবাম্না হেদ মষ্টর পুন্দবদা য়ানরক্তবদগী, তেন্থা খুঞ্জাও অমসুং খোংবান মিটিং অমা তৌরগা চহীদুমহন্দা সেপ্তেম্বর থাদগী তেন্থা খুঞ্জাওদা ইউ জে বি স্কুল অমসু হৌদোকখি। অদুদগী মথং মথং জুনিয়াব হায়স্কুল লিংখৎলকই। অদুবু মতম অদুদদি হায়না ফৌখায শেনখায তৌদুনা লাইবিক তম্বীরম্বদগী লেম্না তম্বীবা সরকারগী স্কুল লাক্লবা, স্কুলদুগী ওজা ওইহৌবনা সরকাবনা লৌশিল্লগা ওজা ওইগনি খন্দুনা স্কুল লিংখৎনবা হৌনরকখি। সোমদনা সবকারনা লৌশিন্দ্রীদ্রবনিনা তলব ফংদনা কয়াম কুইনা ওজা ওইবা ঙমগনি, স্কুল লিংলল্লগা হিংবা ঙমদনা মাঙখিবা হায়রগদি তেন্থা খুঞ্জাও গার্লস এল পি স্কুল, [illegible] চাই [illegible] সন্তর তেন্তা খোংবান, তেন্থা খুঞ্জাও ইউ জে বী স্কুল মখি [illegible]নবা য়াই [illegible] অসিগী মনুংদা সরকারনা অমা প্রজানা অমা ওন্না তৈনা তৌ[illegible]গী অম[illegible], মদুদি লৈমা কোঞ্জিন সিঙ্গল টিচর স্কুলসুনি। মসিনা সরকারনা ওজা [illegible] থারকই, ৱাংজিংদগী লাইশ্রম নিলমনি, লৈমা কোঞ্জিনগী প্রজাশিংনা [illegible]গী মী ওইনা ওজা ওইদবা য়াদে হায়দুনা লনাই স্কুল লিংখৎলকই অদু[illegible] লনাই স্কুল[illegible] সরকারনা মশক খঙবীখিদ্রে, অদুগা নিলমনিবুনা অতোপ্পা [illegible]খিবদগী অদুম মাংখ্রে। মমৈথংদা খোংদৌবীদা

সিঙ্গল টিচর স্কুলগী অমা থেংনা থাবকপদদি হান্না মদুগী চাংযেং তৌখ্রবা [illegible]না অদুম হিংদুনা লৈবদগী ২০০৯ গী মতুংদদি ক্লাস ফাইব (V) ফাওবা [illegible]ন্নবা ওর্দর লৈখ্রে। মসিদি তেম্থাদা সরকারগী স্কুলগী ওজাশিংদা তলবতবু ওন্দনা লৈ, অমসুং তঙকপিবগী চাং বাংলি খন্নবদগী, হান্নগী অদুম্না ফ্রিদা লার্নিংক তম্বীবা ওম্নদবদগী স্কুল কমিতি শেল্লগা পৈশা লৌবগা মথৈ তম্মিবগী চৎনবি অমি ইহান হান্না তেম্থাদা ১৯৮৫ ৮৬ তা তেম্থাদা ইংলিস স্কুল অমা "থাংজাম নোপুর স্টেন্দর ইংলিস স্কুল" লিংনবা হোৎনখি। ইংলিস [illegible] অ[illegible] তেম্থাদা মহাননা, মদুম তেম্থাগী ছাত্রগী মমা মপানা শেংঙোন [illegible] ৎপা অদুগা ইচা [illegible]মদনা [illegible] [illegible] নাৎপনা মতম কুইনা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]শিংবা ইংলিস [illegible] অমা [illegible] [illegible]নদি "[illegible] [illegible] [illegible] ইংলিস স্কুল" [illegible] [illegible]। মা[illegible] [illegible] [illegible] লৈনবা [illegible] কোলোনি মাইল্ড [illegible]চব অসিদা [illegible]দগী থাংগৎ[illegible] [illegible] [illegible] অমগী মহাদা [illegible]। মতম [illegible] লৈবা[illegible] [illegible] [illegible] কমিতি [illegible] [illegible]গা "[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মিশন [illegible] ওইনা [illegible] [illegible] স্কুল [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ওমদুনা [illegible] স্কুল [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] "[illegible] স্কুল" [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ইংলিস স্কুল [illegible] [illegible] লিং[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ছাত্র অমনা [illegible] [illegible] [illegible] ইংলিস স্কুল" [illegible] "ইন[illegible] ইংলিস স্কুল" কৌদুনা তেম্থা লৈরে। লৈবত্রা "[illegible] ইংলিস স্কুল" গা পুনশিন্নবগা লৈত্রে, অমি [illegible] পুনশিন্নখিবাদি অমিমক খৃষ্টান মিসনগী কাংবুনি, ইন্টরনেসনেল অমি [illegible] ফন্দ থাদবকফমদি (গোসপেল ফোব এসিয়া) GFA নি। অদুগী মতুংদা ইংলিস স্কুল অমদি তেম্থা খোংবান অমসুং খুনৌ তাইনবদা লৈরিবা "ইলাইট

এদুকেসন সেন্টর" অসিনি। অসিগুম্বা তেন্থাগী লৈবিবা অমসুং লৈখিদ্রবা স্কুলশিংগী লিংখৎলকপা, কবম্বা চহীদা কনানা কবম তৌবকখিবগে হাযবগী শন্নপ্পা ৱাবীশিং মখাদা থমজবি।

১। তেন্থা প্রাইমারি স্কুল (তেন্থা হৈবুং)

তেন্থা প্রাইমারি স্কুল অসি তেন্থাগী ইহান হানবা এল পি স্কুলনি। মবক্তা ইউ জে বি স্কুল তেন্থা হৈবুং হাযনসু খঙনবন্মী, হৌজিক্তি ইউ জে বী স্কুল হাযবগী মহুত্তা প্রাইমারি স্কুল লোইনা হাযখ্রে। স্কুল অসি ইং ১৯৫১/৫২ ইংদা তেন্থা খুনৌদা লিংবা হৌখি, অহানবদা তেন্থা খুনৌ কাংজৈবুংগী খা নোংচুপ থংবা মাযকৈদা ৱানা মখোঙ যুংলগা শাবা হৌখি। স্কুল অসিনা সবকাবগী ওইদ্রিঙৈ মমাঙদা ওজা ওইনা পুবিরম্বাশিংদি- থোকচোম শ্যামো (লমদিং), খুন্দ্রাকপম কোমোন (ৱাংবল), খাঙেনবম ইবোবী (বাংবল), ধবলি (অথোকপম) ওইনাম যাইমা (অথোকপম), মোইরাংথেম ঙৌবা (তেন্থা খুনৌ), মোইবাংখেম অঙৌবী (তেন্থা খুনৌ) অমসুং মোইবাংথেম তোম্বা (তেন্থা খোংবান) নি। কবিগুম্বা কন্দিসন খবদগী থোকচোম শ্যামো, ধবলি, অঙৌবী অমসুং ঙৌবদি কুইনা ওজা ওইখিদে। ঙৌবা অমসুং অঙৌবি অনিমক তেন্থা খুনৌদগী ওক্তনি। অপোকপা কম্ফাজাও অমসুং মাইপাক অনিমব স্কুল অসি লিংনবা হোৎনবদা থৱাব যাওনবা মীওইনি। অদুগ স্কুল অসিদা [illegible] ওইবদবদি [illegible]শিং যামদবা অদুগী মতম্তা মীরমদগা ওজা খবসু যাওবা [illegible] অমসুং [illegible] অঙৌবী [illegible]গী মবক্তা [illegible] তোকহন্নবা মসিগী ম[illegible] কনাদ্ [illegible]কহনগদগে খন্নবদা ঙমদবদগী অনিমক পোথাহন্নগা তেন্থা [illegible]নদগী মোইবাংথেম তোম্বা সিংহ অপোকপা লৈবিখোম্বগু ওজা ও[illegible]বা কমিতিগী মীওইশিংনা খন্নদুনা তোম্ববু ওজা ওইহনখি। মতম অদুদ[illegible]মহৌবরা ওজা ওইগদবা মীওইশিংদি- খুন্দ্রাকপম কোমোন, ওইনাম য়াই[illegible] মোইবাংথেম তোম্বা অমসুং ধবলিনি। মতম অদুদা

ওজা ওইবগী পরিক্ষা (টিচরসিপ একজামিনেসন) চাংয়েং তৌবদা পাস তৌখিবদি ওইনাম য়াইমা অমসুং মোইরাংথেম তোম্বনি। ধবলি অমসুং কোমোন পাস তৌখিদ্রে। ওজা অহুম পুগদবদা ওজা অনিখক্তা ঙায়রবনিনা কমিতিনা ওজা ওইগদবা মোইরাংথেম তোম্বদা ইবুংঙো নখোয় নমান্নবা পবিক্ষা পাস তৌবা অমতং থিরকউ হায়বীখিবদগী তোম্বনা মমান্নবা সাপমদগী নিংঙোম্বম মনাওবু কৌরগা ওজা ওইবা যাওহনখি। মতমদু ফাওবা স্কুলদু সরকাবগী ওইদ্রি অদুবু মনাওদা দান খরদং কমিতিদা তৌনবা হায়নবদা যান্নদুনা মনাওবু ওজা ওইবা যাওহনখি। মতমদুগী স্কুল শঙ শাবদা প্রোজেক্টকী খুং যাম্না চংলম্মী। স্কুল অদু সবকাবগী ওইনমদাইদা হান্নগী বানা মখোঙ খুংদুনা কাংজৈবুংগী থা নোংচুপ্তা লৈবম্নদগী কাংজৈবুংগী অরাং থংবা হৌড়িক হাযস্কুলগী মমাং খুখ্রি মযা ওইবপ্পা তংখায অমা লৈরং, মথক উ অমসুং [illegible]ন কুপ্নবা ওর্দব হামা থোর্কখি লৈবং তাদুনা শাবা হৌবগা অমুক শিদোকখি। [illegible]বর্মদি স্কুল [illegible]সি মখোঙদু চেকনা হৌগৎপা তংখায ফাওবা, তংখায অম্না উ, [illegible]খোঙদু [illegible], খোঙ থোঙনাও উনিংথৌ, মথক্কী তিন ওইগদবনি। উগী শবন্না প্রজানা পুখোকপা, মখোঙ [illegible] অমসুং মথক তিন সরকারগা ওই[illegible]নি হন[illegible] ওর্দব থোক্লম্মী। মবম অদুনা তেন্থা খুনৌগী প্রজাশিং খুনদ[illegible] পৈশা খাযনবা লোযননা ওজা ওইগদবদগী মতেং খবা লৌনন্বা খন্নবদা [illegible] খুনৌগী প্রজাশিং যান্নবা পুবকপা [illegible]দ্রে। মতম অদুগী ক[illegible] বা [illegible] লাইমুজম অচৌবা, মোইবাংথেম গন্দবশিং, মোই[illegible]থেম কৃতি, [illegible]কাহজম [illegible], মোই[illegible]থেম মাইপাক অমসুং মোইবাংথেম [illegible]জাও [illegible]নবা [illegible]। [illegible] [illegible]থেম [illegible]ফাজাং মচা অঙৌবা [illegible] মোইবাংথেম মাইপাক মচা অঙৌবী ওজা ওইহৌদবদগী নিংহনরকপগা ইরোয়ননা পৈশা খাযনবগী মতাংদা কমিতিগী মচিং থুপনখি। স্কুল শাবা ঙমদবদগী ফিভমদা লাক্লবদা তেন্থা হৈবুংগী প্রজা খরনা চোংথোরক্তুনা "খুনৌনা পৈশা পুথোকপা ঙমদ্রবদি হৈবুংদা স্কুল শারক্নে" হায়রকখি। অসুম্না হৈবুংনা স্কুল শান্নবা খন্নবদা অয়াংলৈবা লাইরেম্বী মনা

অহাংবা লম খবা থৌনাওজম চুবাসিংদা যোল্লগা স্কুল শাননবগী উগী শকক পুথোক্তুনা তেম্থা হৈবুংদা স্কুলদু শাখি। কমিতি অহানবা পুখিবা মী ওইশিংদি প্রেসিদেন্ট শ্রীময়েংবম ইবোতোন (তেম্থা খুনৌ), সেক্রেটরি ওইনা মাইবম বিরেন্দ্র (হৈরুং) মমসুং [illegible] শিযার ওইনা লাইমুজম ইবোতোম্বা সিংহনি। সরকারগী স্কুল ওইরবা মতুংদদি কমিতি থমখিদ্রে।

স্কুল অসিদা ওজা ওইরিবকাখরশিংদি- ওইনাম যাইমা, মোইরাংথেম তোম্বা অমসুং নিংথৌখম [illegible]। মনাও কুইনা লৈরমদ্রে অতোম্বা ময়মদা ট্রান্সফার চংখি, হায়স্তুলগী হেদ মস্তর যাওবা ওইরি। মনাও চংখ্রবা মতুংদি [illegible] মোইরাংথেম [illegible]। মখোয় অহুমমক মতম কুইনা [illegible] ওজা ওইবগী মতম শুরুদুনা স্কুল অসিদগী পেন্সিন চংখি। ওইনাম যাইমা পেন্সিন পৌদনা শিখিবা [illegible] মচা কুমাবনা [illegible] পুখ্রোই। ১৯০৫ [illegible] তেম্থাদা [illegible] [illegible]

[illegible]

[illegible] নবা যই।

[illegible] স্কুল [illegible] জক্তি [illegible] স্কুলদা [illegible] খিনবা সরকারগী [illegible] ওইরে। সরকারগী স্কুলশিংদা [illegible] তম্বা, [illegible] মচা শিংদা [illegible] পিরে অদুগা মিদ দে মিল হায়না চাক পিজবা [illegible] চেং [illegible] খোয় [illegible] স্কুলদা তম্বা হোৎনদুনা লাক্লবসু স্কুল

অসিগী ছাত্র মশিং য়াম্না তমদে হাযবা য়াই, মসি স্কুল অসিখক্তগীদি নত্তে। স্কুল অসি অহানবা ১৯৫৫ দগী শাবন্বদগী অমুকসু কা হাপ্লোক্লুনা চাউথোকহলকখ্রে। অদুগী মতুং খুনগী মতাই চীংয়াদা স্কুল শাদুনা ২০০৮ দগী হোংদোকখ্রে।

২। তেন্থা খুঞ্জাও এল. পি. স্কুল (হৌজিক হৌজিক নাওরেম কুঞ্জাবাবু প্রাইমারি স্কুল)

তেন্থা খুনৌ অমসুং হৈবুংগী এল. পি. স্কুল অসিগী মথংদা স্কুল লিংখৎপা অনীশুবনি। তেন্থা খুঞ্জাও প্রাইমারি স্কুল ১৯৫৪ দগী লিংবা হৌরকখি। অহানবা ওইনা তেন্থা খুঞ্জাও বামোন মাণ্ডপতা তম্বা হৌখি। স্কুল ওইনা লিংদ্রিঙৈদা ছাত্রশিংনা ফৌ নৎত্রগা শেল পিবগা তম্নবকখিবদি, অহানবা চোংথাম মনি (ললাম্বুং মখোং) ক্ষেত্রিময়ুম কলা (ময়াং ইম্ফাল) অমা বাইখ্যা, শুবঞ্জয, শোযবম মনাওযাইমা পনবা যাই। তেন্থা খুঞ্জাও এল. পি. স্কুল অসি মাণ্ডপতা হৌবন্বদগী মথংদা লোব হাযনা হাযনা খঙলবা হৌজিক লৈরিবা মফম অম্বাইদা লৈবং তাবগা ইনা কুপ্তুনা শাবন্মী। সবকারগী স্কুল ওইনা তাবনদি অনেম্বা মফমদা স্কুলসি শাসি হাযনা খন্নবক্লে। তেন্থা খুঞ্জাও নাম্না লিংবা মফমনি লমসি কদাইদা স্কুল শাসিংগে হন্নবদা মাইয়াম চদ্রগী লম পিগনি হাযদুনা অহানবা গোকুলগী লমদা শাসন্না শন্নববা মতুংদা [illegible] লাক্লুনা যেংলম্নগী হকোনবদা ভদ্রগী লম মচেৎ শবদংগা গোকুলগী লম মচেৎ শবন্দা স্কুল [illegible] মনখি। মতুংদমক লৈকায়গী মীওইশিংনা শেনবীবদুনা স্কুলগী লম খবা অসিদমক মমাং থংবা লাই থেমগৎফম মনাক্কী অহাংবা সগোলসেম তোম্বগী ইখোল মযা অসি [illegible] নঙ কোইজবো হাযনা প্রজানা পিথোকখি। স্কুল অসিগী শানবা অমসুং সবকারগী ওইনবা হোৎনবা অৱাবা থৌদাং লৌরম্বদি নাওরেম কুঞ্জু প্রসিদেন্ট অমসুং মোইরাংথেম নিংথৌনা সেক্রেটরী ওইনা পুরম্মী। মক্তম

অদুদা স্কুল শাননবা চিংথামদগী থানিঞ্জাও উগী মিষ্টি ওইনা শারকই। মখোংগী শরুক অদু থোকচোম যদুনা চল্লে, অদুগা থানিঞ্জাওনা উগী শরুক শারকপা মতমদা মহাক অমসুং প্রজা নৎত্রগা কমিতিশিংনা স্কুলগী নমুনাদু শোয়ননা থোঙজাও অমসুং থোঙনাও ৱাংবা মান্নদবা ওইনা লৈরম্বদু এস. ও. ইঞ্জিনিয়ারনা য়েংবা লাকখি। লাকইবা নুপাদু মৈতৈলোন থোক্তে, ময়াং মচানি। মানা হান্না য়েংলম্বা মতমদা গোকুলগী অকুৎপদা খোংবান অরুবা অমা লৈহৌবদু উরম্বা মফম অদুদা স্কুল শারম্বা অদুদা পেন্দ্রদুনা শঙ অদু থোঙ থোঙনাও ৱাংবা মান্নহনগদবদু মপা চান্নহন্দবা উবদগী য়োৎপাক পায়দুনা ময়ায়দা তৌখায়রকই। অদুগা উ মকক অমা পায়রগা মতাম ফুরবা থোঙনাওশিংদু লোয়না য়েথোক্লম্মী। অদুবু ময়ান্না য়ান্নবা হোৎনখি। মদুগী ফলনা মতম খরগী মতুংদা চেক অদু চেকখায়বা নমথবা তৌরকখিদবদি নত্তে। লম্না ৱাংজিং ভুরেন পাকথোক চাওথোকরকপগা লোয়ননা স্কুল অদু লৈবা য়ারক্তুনা অহানবা লৈরঙ তারগা শারম্বা মফমদা দোজরনা তেমলগা কুঞ্জবাবুগী মিংদা লৈরি। স্কুল অসিদা ওজা ওইখিবা অহানবা মীওইশিংদি তেম্থা খুনৌদগী মোইরাংথেম ঙৌবা ৱাংজিংদগী মোইরাংথেম নিপামচা অমসুং মোইরাংথেম অঙৌবী সিংহদি মতম কুইনা ওজা ওইখিদ্রে। ১৯৫৯ ইংদা আমিন (মন্দোল) ওইখি। মতম অদুদা এল পিগী ওজাসু ওইবা আমিনসু ওদিনা তলব অনী চাবা য়াদবনা ওজা ওইবা থাদোকই। অদুগা লোয়ননা থা ১/২ থবক অনীমক্কী তলব লাকপদু ওজা ওইবগী তলব থা ২ সরকারদা হন্দোকখি। মাগী মতুংদা মোইরাংথেম নিংথৌসু ওজা ওইহৌরে। হেদ পণ্ডিত ওইবা মোইরাংথেম ঙৌবা মতম খরা স্কুল থাদোকলুই, মতম অদুদা লমজাওদগী ইবোতোন ওজা ওইনা লাকলম্মী। মথং মথং উরিপোক্তগী ইবোবি, মোইরাংথেম লুখোইবীসু অয়ুক্কী ওজা ওইনা পুরম্মী। অদুগী মতুংদা ১৯৮০ গী স্বাইদগী এল. পি. স্কুলদগী ইউ. জে. বি. স্কুল অপগ্রেদ তৌদুনা মুতুম কিরনকুমারনা হেদ মষ্টর ওইনা পুরগা লৈরকই, মতম অদুদা তেম্থা খুঞ্জাও ইউ. জে. বি. স্কুল প্রাইভেৎ স্কুল শিথখিবগা লোয়ননা মাগীদা অমুক

কললখৎলকই। স্কুল অসিদা পুবিরম্বা ওজাশিংদি কিরন (তেম্থা).ফজু (ফুন্দ্রে), তোম্বা, অঙৌতোম্বী, মনাওয়াইমা, চৌরজিৎ, অভিরাম শনবা য়াই। লাইরবা শেম্থোক লৈজদবা ইমুং খরদং স্কুল অসিদা তমলি। সরকারগী ওর্দরদদি মসিদা জুনিয়ার হায়স্কুল অপ- গ্রেদ তৌরে হায়না থোক্লে। অদুম ওইনমক সরকারগী লাইরিক লেম্না পিবা, চাবা য়াওরবসু, মরনাইগী লাইরিক লৈরগা থাগী ফি হুন্দুনা প্রাইভেৎ স্কুলদা থানবনা অয়াম্বা ওইনা তৌই। স্কুল অসিদা ওজা ওইনা ওইনা পেন্সিন চৎখিবা ওজাশিংদি ঙৌবা, লুখোয়বী, মুতুম কিরনকুমারনি।

৩। তেম্থা মরোংবন এল পি স্কুল।

তেম্থা হৈবুংদা এল. পি. স্কুল অমা লিংখ্রে, অদুগা লোয়ননা তেম্থা খুঙ্গাওদা এল. পি. স্কুল অমা লিংখৎখ্রবা মতুংদা তেম্থা মরোংবন্দা এল পি স্কুল অমা লিংবা দবকাকর ওইরে হায়না তেম্থা মরোংবন্দ অমসুং সমরাম অনীনা পুল্লগা ১৯৫৮- ৫৯ দা লিংখৎখি। মসিনা তেম্থাগী অহুমশুবা স্কুলনি। ১৯৬০ দগী ১৯৬৮ ফাওবা এদেদ স্কুল ওইরম্মী, সরকারগী স্কুল ওইদ্রিঙৈদা কমিতিগী প্রাসিদেন্ট ওইখিবদি নাওরেম তোলেঙ্গাওনি। সেক্রেটরী ওইনা সন্থ্রামদগী নিংথৌজম জিল্লানি। ১৯৬৯ দগী সর্কারগী স্কুল ওইরকখি। স্কুল অসিদা ওজা ওইখবশিংদি: নিংথৌজম জিল্ল সন্থ্রাম, নিংথৌজম মঙ্গি সন্থ্রাম, নাওরেম বীরমনি,তেম্থা মুতুম কিরন তেম্থা, এস বাজাতোন সেরৌ, এম মধু খোংজোম, চিংথাম য়াইমা সন্থ্রাম শনবা যাই। মতম শাংনা স্কুল ওজা ওইরম্বশিংগী মনুংদা ২০০৩ ফাওবদা পুরম্বদি নিংথৌজম জিল্ল অমসুং নিংথৌজম মঙ্গি নি। অতৈদি অমদা অমুক অমুক এান্সফার তৌথোক তৌশিন তৌনৈ। থেংথনা ওজা ওইনা পুদুনা লৈহৌবনি এম মধু মথন্তনা পুদুনা ছাত্রো ইরৈ লৈতনা অসিবগী মওংদা লৈখ্রে।

৪। মথংগী স্কুল অমদি তেম্থা খুনৌ গালম প্রাইমরি স্কুলনি।তেম্থাদা

মথং মথং এল.পি.স্কুল লিংনবকলে,তেন্থা হৈবুং, তেন্থা খুনজাও, তেন্থা মরোংবনদা স্কুল লিংখৎখ্রবা মতুংদা তেন্থা খুননৌদসু স্কুল অমা লিংনবা খন্নবকখি। মদুদা লুবিবা অমনা তেন্থাদা ঙাক্তা মথং মথং স্কুল লিংনবকপা ছাত্র লৈতবনবা অথিংবা লৈনবকলে। অদুবু লিংবগী ৱাখল লিংননবা হোৎনবদা কবি উপাই লৈ খিবকপদা নুপীনা খক্তগী ওইবা স্কুল হাযনা থোল্লসি তেন্থা খুনৌ এল. পী. স্কুল থোনখি। মতম অদুদদি সর্কাবনা বিকগাইজ হেক্ত তৌবী, অদুগা সর্কাবগী ওইবদি তৌদে তেন্থা খুনৌ গর্লস এল. পি. স্কুল ১৯৬০ শ্বাইদা লিংখৎপা হৌখি। অদুগা ১৯৬১ দা বিকগনাইজ তৌবীখি। মতম কুইনদি ওজা তলব যাওদনা ওইবা ঙমদে। অহানবা হৌবকপদদি ওইগে ওইগে হাযবন্মী, অহানবা হৌবকপদা ওইবীবম্বা মীওইশিংদি কোইজম ইবোতোম্বী, মোইবাংথেম নিংথেম, থোংগ্রাম ইবোতোম্বী, লাইমুজম ঘনশ্যাম, এম দি অমু অমসুং নাওবেম জাদ মমিং পনবা যাই। কোইজম ইবোতোম্বীদি মতম খবা খাংলল্লগা লমদিং হাযস্কুনদা ওজা ওইখি। মতম কুইনা তলব যংদনা ওজা ওইবা ঙমদবদগী মথং মথং তোক্ল খি। মবক অসিদা স্কুলগী কমিতিসু পুনা ঙমদবদগী মথং মথং শিনখি অহানবদা লাইমুজম মোঙ্গোলনা কমিতিগী প্রসিদেন্ট অমুগা কোইজম লুখোইনা সেক্রেটরী ওইনা পুবন্মী। মখোযসু মখোযগী অনিংবা মচা মশুনা ওজা ওইবা ফংজববদি হাযবগী বাখলদা অহানবদা থবাই যাওবন্মী। কোইজম ইবোতোম্বীনা লমদিং হাযস্কুলদা ওজা ওইখ্রবা মতুংদদি সেক্রেটরী ওইবা লুখোই পর্ক্লুং হন্দিন্নবকখি, অদুগা ঘনশ্যামসু কুইনা তলব ফংদনা লৈবা ঙমলক্তবদগী মঙ্গোলসু [illegible] নবকখি। লিংখৎলুববনিনা চেনবা যাদে হায়দুনা মনাও নুপা নি [illegible] অমসুং মশেন ওইরবনিনা হনবা লৈতনা কমিতিগী চিয়ারমেন সেক্রেটরী ওইনা মোইবাংথেম ধনি অমসুং নাওবেম নিপামচা অনিনা পুই।মী ওইবনা হোৎনবা নোংমা কল্লবদি শোয়দনা মাই পাকই হায়বদুনি। চতি কুনমায় শাহ তলব ফংদনা ওজা ওইরকপা ধনি অমসুং নিপামচানা স্কুলদু লৌ শংপিনবা হায়জবা যাবা হায়জদুনা পিজবা যাবা

পিজরবা তুংদা মতমদু হিলিম চৌধুরিনা ইদুকেসন সেক্রেরী ওইরিঙেদনি। ঐখোয়নসু লৌখৎ ওইদ্রবসু অওইবা শাবা মান্নবা ঙাংবা তাবনি। ইদুকেসন সেক্রেরীনা হায়জরকই.নখোয় তেন্থাদা এল. পি স্কুল অহুম লৈরে। তেন্থা হৈবুং, তেন্থা খুনজাও অমসুং তেন্থা মরোংবন্দা স্কুল লৈরে। করম্না তেন্থা খুনৌদা স্কুল করম্না লৌখৎপা যাগদগে ? কমিতি পুবা ধনি নুপামচানা সাহেপ নকনৈ চুম্মি তেন্থা মরোংবন্দ তম্বা চৎপদা কৈফম লাংখোং লানবা ঙমদে। ইশিং চাউবকলবদি লাইবিক তম্বা তোকপা তারেনে হৈবুং তান্না চৎপদু ব্রাংজিং তুরেন লানবা ঙমদে খুমখি। অদু ওইরবদি পুলৈ পোকপি এল পিসু লৈনা অমুকসু খুমলকখি। মদুদসু অমুক্কা হিন্দু মুসলিম পুনশিনবদা অথবা ওই হায়না যেংনববা মতুংদা মাগী নোংশিংতা মবম চাবে হায়না ইখৎখি। ১৯৮২ দা সর্কারগী স্কুল ওইনা লৌখৎখি। মতম অদুদা লেমহৈথো মোইরাংথেম নিংথেম ,পাঙনবা অঙ্গোজাওনি। অনৌবা খরা হাপচিন্নবা নাওরেম বিসমভর অমসুং নাওরেম তোম্বা ওজা ওইহৌই। স্কুল অসিগা নিংখৎলকপদগী ২০০৯ ইং ফাওবদা ওজা ওইরম্বা ওইবন্নী তলব ফংদবনা পোথাখ্রবশিং মমিং পনজবা তারগদি মোইজম ইবোতোম্বী, মোইরাংথেম নিংথেম, থোঙ্গ্রাম ইবোতোম্বী. লাইমুজম ঘনশ্যাম. এম. দি. অমু মিং, নাওরেম জদু, নাওরেম বিশম্ভব, পাঙমবম অঙ্গোজাও, নাওরেম তোমা, পাঙমবম ওংবী প্রবিতাত দেবী, মাইবম নিংথেমজাও (বম্বোল), নাওরেম প্রলহাদানি। অদুগা সর্কারগী ওইনা মৈতৈ মযেক্কী ওইনা ওজা মতম খরগী পাবীরকখিবদি মাইবম চন্দ্রিকা, নাওরেম নাওশোম্বা, নাওরেম রনজিতা অমসুং মাইবম শুভবালানি। ... ইংলিস স্কুল তমনখিবগী ছাত্র মশিং য়াম্দনা তল্লি।

৫। মথংগী স্কুল অমদি তেন্থা খুঞ্জাও গার্লস এল. পি. স্কুল

নুপা মচাশিংগী ওইবা এল. পি. স্কুল অহুম লিংখৎখ্রবা মতুংদা

নুপী মচাশিংগী স্কুল তেন্থা খুনৌদা লিংবগা মতম অমতদা তেন্থা খুঞ্জাও গার্লস এল. পি. স্কুল ১৯৬০ ইংগী শ্বাইদা লিংখৎলকই। মতমদুগী স্কুল কমিতিদি থোংঙাম ঙৌবা প্রসিদেন্ট, মোইরাংথেম য়াইমচৌ সেক্রেটরী অমসুং নাওরেম লিল্লনচিংবনা কেসিয়ার ওইদুনা পুরম্মী। অহানবা ওইনা ওজা ওইবীরম্বা মীওইশিংদি লাইমুজম বাবু তেন্থা খুনৌ, হেদ পণ্ডিত, সনসম গোপাল তেন্থা খুঞ্জাও, মোইরাংথেম গুনা, তেন্থা খুঞ্জাও অমসুং অসেম বীরসিং, থৌবালনি। তলব ফংদনা ওজা ওইবা ঙমদবনা মথং মথং তোকনখিদুনা মথং মথং ওজা ওইখিবা নাওরেম ইবোয়াই, মোইরাংথেম কুঞ্জেশ্বোর, মোইরাংথেম মণিসিং অমসুং মোইরাংথেম থম্বালতোন দেবী অসিনচিংবনা পুনরকখি। অহানবদা ঙন্না রিকগনাইজ তৌরম্লগা কুইনা সর্কারগী ওইদনা লৈরক্লবদা কমিতি শিথখি। অনৌবা পুথোকপা ঙম্নদবা অমসুং অততাই ওইনা কমিতি লৈতবনা অদুম শিথখ্রে।

৬। মথংদা কুঞ্জেশ্বোরী চাইল্ড সেন্টর লিংখৎপা

তেন্থা খোংবান্দসু এল. পি. স্কুল অমা লিংননবা হোৎনরকই। শ্রীমোইরাংথেম মনাওবীনা মাগী মচানুপী কুঞ্জেশ্বোরীগী মিংদা লম মচেৎ অমা লৈদুনা স্কুল লিংনবা হোৎনবম্মী। লাইবক থিবদগী স্কুলদু তলব ফংদনা ওজা ওইবা ঙমদবা অদুগা রিকগনাইজ ফংদবগা লোইননা হিংবা ঙমখিদ্রে। মতুংদা তেন্থা খুঞ্জাও গার্লস এল. পি. স্কুলগী রিকগনেসন মদুনা লৌরগা হোৎনরম্বনি, উপাই লৈ ধবদগী অদুম হিংখিদ্রে।

৭। ইউ. জে. বি. স্কুল লিংখৎপা

মথংগী স্কুলদি এল. পি. গী থাক্তগী খরদং ব্রাংখৎপা ইউ. জে. বি. স্কুল লিংখৎনবা ১৯৬৬ ইংদা হোৎনরকই। তেন্থা হৈবুংদা লিংবা হৌদোকই।

প্রাইভেৎ ওইনা হৌদোকপদা মমাংদসু তেম্থা প্রাইমারি স্কুলগী মরমদা ইজখ্রে। প্রাইভেৎ ওইরম্বদগী সরকারগী ওজাগা য়ানরগা ওজাশিংদু গোর্ভনমেন্টকী ওইখিবা য়াওখ্রে। মসিনা হৌজিক হিংদুনা লৈবগা পুনশিন্নখ্রে।

৮। তেম্থা খুঞ্জাও ইউ. জে. বি. স্কুল

তেম্থাগী ওইনা হৈবুংদা ইউ. জে. বি. স্কুল লিংলক্লবদা মদুগী মতুংদা মোইরাংথেম বলরাম্না হেদ মষ্টর ওইদবদগী হৈবুং খুনৌনা সরুক অমা অদুগা খোংবাল খুঞ্জাওনা সরুক অমা ওইরগা থন্নবা হৌখি। নোংমদি আগষ্টকী মতুংদা সেপ্তেম্বর থাদা তেম্থা থোংখোংদা মিতিং অমা তৌরগা তেম্থা খুঞ্জাওদা ইউ. জে. বি. স্কুল অমা লিংনবা ৱারেপ লৌখি। মোইরাংথেম বলরাম, মাইবম কারতিক, মোইরাংথেম বিজয় অমসুং য়ুমনাম কুলবীধ্বজ ওজা ওইহনখি। অহানবদা হৈবুংদা তল্লম্বা ছাত্র ক্লাস থ্রিদগী ফাইব ফাওবগী ছাত্র ৭০ মুক লৈরম্বদগী খোংবাল খুঞ্জাওগী ওইনা ছাত্র নিফুরোম লাক্লুনা তল্লকখি। স্কুল অদুগী কমিতি নাওরেম কুঞ্জবাবু, প্রসিদেন্ট, মোইরাংথেম রাজেন্দ্র সেক্রেটরী অমসুং লাইমুজম নোয়োন্না কেসিয়ার ওইদুনা পুরখি। ১৯৬৯ দা রিকগনাইজ তৌরম্বদগী ১৯৭৩ দা এদহোগ গ্রান্ট ফংলগা মখা তানা ফংখিদ্রে। মতমদু রাজনিতীগী ইথিল কন্না চংশন্নরবা মত মনি। প্রসিদেন্ট ওইরম্বা নাওরেম কুঞ্জবাবু এম এল. এ. ওইরম্বদগী মথংদা সাপম ইবোমচা অমসুং লাইমুজম সবতনা এম. এল. এ. ওইনরবা ফাওবা ভোৎ থাদখিদে মঙোন্দদি হায়জনীংদে হায়বা কমিতি গী ওইশিংনা ৱানোম্বা ৱাৎপদগী অদুম সকারগী ওইবা ঙমদনা তোকখ্রে। মথং মথং ওজাশিং শিন শিন্দুনা নন এদেদ স্কুল টিচর এসোসিএসন শেমদুনা জেলদা ফাওবা লৈনরুরবনি। মণিপুরগী ওইনা অনেম্বা স্কুলদু লৌখৎখিদবদগী অদুম তোকখ্রে। স্কুল অসিনা অহানবা হৌরকপদা তেম্থগী ওইনা হৈবুং অমসুং তেম্থা খুনৌ অৱাং লৈকায়গী ছাত্র খক্তা ঙাইহৌই। তেম্থা খুঞ্জাও খোংবান অপুনবা ওইরগা তেম্থা খুনৌ

নাওরেম লৈকায়গী মীওই ফাওবা খুঞ্জাও তান্না লাকখি। মদুগী মরমদি তেম্থা খুনৌ অসিদা অৱাং লৈকায় অমসুং নাওরেম লৈকায় কাংজৈবুং কন্নবগী মতাংদা খৎন-চৈনবা লৈখিবদগী তেম্থা নাওবেম লৈকায়রোমগী খুনৌগী খা থংবা সবক্কী অঙাংশিং খুঞ্জাও তান্না লাকলম্মী। স্কুল অনী খাযদোক্লবগী মতাংদা খুনৌদগী লাকখিবা ছাত্রশিংগী মমিং খরদং পনজখিবা তারবদি নাওবেম বিশম্ভর মপা নিপামচা, নাওবেম মনিয়াই, মপা অরুনি, নাওরেম মুবী মপা কোমোনজাও, লাইমুজম গম্ভিরসিং মপা সনাজাও লাইমুজম ইঙোচা মপা মধুমঙ্গোল, লাইমুজম নিংথৌখোম্বা মপা নিলবাবু পনবা য়াই। অসুম্না হোৎনবদগী ১৯৬৯ ইংগী ওক্তোবরদা রিকগনাইজ তৌরগা ১৯৭৪ ইংদা এদহোগ গ্রান্ট ফংলম্লগা হিংবা ঙমদনা স্কুলদু মাঙখ্রে। স্কুলদুদা ওজা ওইবীরম্বা ওজাশিংগী মমিং পনজরম্বা তারগদি মোইরাংথেম বলরাম, মাইবম কাবতিক, যুম্নাম কুলবিধু, মোইরাংথেম বীজয়, মোইবাংথেম ওংবী মেম্মা দেবী, মোইরাংথেম তোম্বীবৈ দেবী, মোইবাংথেম উদোয়, তেকচম কেশ্বোব, নাওরেম বৈকুল, নাওবেম ইনাওবী, মোইবাংথেম দেবদাস, মাইবম ইনাওমচা মমিং পনবা য়াই।

৯। লৈমকোনজিল সিঙ্গল টিচর স্কুল

মথংগী স্কুল অমা হায়বা তারবদি লৈমা কোনজিল সিঙ্গল তিচর স্কুলনি। লৈমা কোনজিল অদি অতৈ স্কুল লৈতবনা সরকারনা ১৯৭৩ ইংদা ৱাংজিংদগী লাইশ্রম নিলর্মান কৌবা ওজা অমা থারকখি। অদুবু লমদম অদুগী প্রজাশিংনা ওজা ওইনীংনদগী মফম অদুদা স্কুল বিল্ডিং অমা শাদুনা (ৱাগী) লৈকায়গী ওজা ওইবা যাবা খবনা স্কুল লিংখৎলি। সরকারগী ওইনা থারকপা নিলমনিবু ওজা ওইহন্দদুনা লৈকায়গী ওজা ওইবা য়াবা ৱাইখোম পিশক, মোইরাংথেম ইবোতে ম্বী অমসুং মোইরাংথেম তোম্বীরৈবু ওজা ওইহনখি। সরকারগা য়ানবা পুরকপা ওজা ওইদবশিংদুসু তলব য়াওদনা কয়া কুইনা

